
Rs 1 0

ইচাশা ইপা নম্বোইরগে



অইবা :

খুঙ্গোংবম ব্রোজেন্দ্রো সিংহ

ইচাশা ইপা লম্বোইরগে

অইবা:

খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো সিংহ



কংলা বুক হাউস

বক্সী বাজার, ইম্ফাল

অকোংবো

[illegible]কে: বীরেন্দ্র সিংহ

ইম্ফাল।

ব্লোক শাফম : মীতম্ফাং প্রোসেস এনগ্রেভর্স

অহানবা ফোঙবা : ১৯৮৩ ইং, জানুয়ারী

কোপী মশীং : ১০০০,

মমল : রুপা 10

কোপী রাইট : অইবা

ষ্টেজ রাইট : রূপমহল থিয়েটর

ছাপা তৌকম : পাঙোইবী ইণ্ডিয়েন প্রেস, কৈশামথোং, ইম্ফাল।

খুন্দোংবম ৺ইতোচা

লাইরৈবাক তানশ্রবা মুংশিজরবা পন্থোগী মফমদা

তমজরি

নচাগী সহিত্যগী খুদোল,

"ইচাশা ইপা লম্বোইরগে"

রূপমহল থি য়টর। অহানবা পুথোকপা,

রিপব্লিক ডে নুমিৎ, জানুৱারী তাং ২৬

শক ১৯৮০

শকম লাংবীখিবা রূপমহলগী কলাকারশিং

নুপা

উদয	—	জীলাম্বা
ইবোচৌবা	..	সোরেন্দ্রো
অঙৌবা		ইমোবী
বীজয	..	বলবীর
বসন্ত		শান্তিবিশ্বর
তোম্বা	.	ভুলেশ্বর
খোম্বৈ	'	বীরেন

নুপী

কেতুকী	..	বীনোদকুমারী
নাওবী	..	বেদবতী
থারিক	...	মীনাকুমারী

ডাইরেক্টর	.	চান্দম গোপাল
মীউজিক ডাইরেক্টর		কুঞ্জ সিংহ
প্লে ব্যক শিঙ্গর	..	বীমোলা
ঈশৈগী ভর	...	গোপাল

শ্রীখুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ফাংগংলক্লিবা নহাবোল "প্লেরাইটস" শিংগী মনুংদা অমনি হায়বদা থোয়না লাপ্লোই। মহাক্কী "রাইটিংস" মহাক্কী মশক উরগদি হেক চায়দরবোই নিংই। করিগুম্বা অমা তাক্লনবা অনদি য়েক্লনবা হোৎনবদা ল্যাযম্মা শুংঙাযহনবা হাযবদি "হিউমর" চেলহনবা মহাক্কী মহৌশানি। অশেংনমক মহাক্কী "ডাই-লোগ" পিকতক পিকতক্লা য়াম্না শক্তি লৈহল্লি। হৌজিক হৌ-জিক য়াম্না চৎনরক্লিবা ষ্টাইল তৌরবা ব্রোলগী শিজিন্নবা মহাক থক থাদোক্কে। হৌজিক্কী মণিপুরগী থিয়েটরদা চেল্লবা ঈচেল অনি অসিগী তাইশন্নবা যাগী মওং অমা মহাক্কী ড্রামদা উবা ফংই। হবম অসিদগী মহাক্কী ড্রামা "ইচাশা ইপা লম্বোইরগে" অসিদা ঐগী নিংজররকপা আশা থবক ওইনা পাংথোক্লবগী খুদাং অমা ফংজখি। মসিগী ড্রামা অসিবু মায়পাক্লা "ডাইরেক্সন" পিজবা ওমজখিবা ঐহাক্কী থোযদোক্লা শুংঙায়জবনি। মসিগীদমক ঐহাক্লা শ্রীব্রাজেন্দ্রোবু থাগৎচরি। মকাকুম্বা নহারোল অতৈম্বু থোরকপা ওইসনু।

শ্রীচান্দম গোপাল সিংহ

তাং ১ ' ১ ৮৩

লীলা হায়নসিমকুবু ভাবাক্কা তংনথানব্রবা মরী অমা থমদবা ওকয়া য়াদে। মসিবু থম্বা ওমজ্রাদি ফনা হায়নুনম্নু লীলাদু লীলা ওইদ্রে। লৈবাক লৈবাক্কী ওইনা চাকগা, লোনচং খেন্নবসি অতুম মরৈ। অইংবা লৈবাক্কা শিজিন্নবা চাকচা, লোন-চংতু অশাবা লৈবাক্কা শীজিন্নরুবদি অযাম্বা মতমদা নামুংবা ওইনা থোকই। অম্মুম্বা মথং মতোসি যেংদুনা লীলাগী থোক্চং তফম থোকই। হৌজিক রূপমহৈনদা উংশিবা শ্রীখুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো সিংহনা ইবা "ইচাশা ইপা লাম্বাইরাগ" হায়বা লীলাসি মায়কৈসোমদা য়েংলুবদা চুশিন্নবা ওইনা তোই। হায়ারসনা মপুঙ ওইবা লীলানি অতুমদি ওইবগা এাশমগী ইমুং মনুংগী অমদি লৈবাক রায়েন্নগী ফিভম মতমগী খোল্নশনা ওইবক্লিবসি শক্তাকপা লীলানি হায়বা যাই। যুগকা ওইবকপা সিম্বোলিক প্লেনি হায়না লৌবদা হায়মনবা থোক্কনি নিংদ। উক্কবা ভাবোক্তা নোক্লা নোক্লা খম্বহনবা পোকহল্লি। লোনা খুথারক্লিনা অইবসিগী কলমদগী থোক্লকপা রূপনহুৎনদা শান্ন খা শানা অহন, হাযবদি বন্ন ইন্টরভিয়ু, ইচাশা ইপা লাম্বাইরাগ, ঐ মমানি হায়বশিংসি মযাম্মকুম্নু খঙনরি ওম্বোক্লা নায়নাক্লা শাংনা চংলি। অম্মুম্বা মীযামগী থম্বাইদা রাখল খনহনবগা লোয়ননা মুংঙাইবা ইথিন পোনহনবা লীলা কযামুকম্নু মথং মথং ইরক্তুনা নৌবিবা অইব-সিবু লৈবাকঃ সেবা তৌবদু শ্রীশ্রীগোবিন্দজীনা ওমহনবিবা ওইসনু। ইতি

শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ

যাইস্কুল, ইম্ফাল।

তাং ১।১।৮৩ ইং।

থাগৎ য়াইহে খরদং

"ইচাশা ইপা লম্বোইরগ" হায়বা ড্রামাশিংগী মিংথোল-
সিমক রূপমহল ঠি টবগী ঘোষর অমা ওপেরাগী লৈখিদ্রবা
পাবুং কৈকরুবম প্রহ্লাদ শর্মানা থোনবীবমনি। নোংমা এবু
লৈখিদ্রবা পাবুংনা 'রূপমহলগী হোটেল হায়না খংনবা হোটেলগুদা
কৌশিল্লগা তাকপিখি, "ব্রোথেল, ইশাদি অহল ওইরে ইহাদি
যাম্না ইনিংই, অহবু যাদ্রে। নাখোয়দি নহানি ইথু ইনা লেপকদ্রু।
অহুগা ইশানা নংগোন্দা যাম্না ইহন্নিংবা য়াবি অমগা লৈ, ইশা
নোংমা য়াবি তৌগে।" খংনিংবনা লাংতক্লবনা ওনা হংজখি,
"করম তায়না তৌবা য়াবিনো পাবুং?" য়াবিবুদি মচা যাম্না
পোকপদগী মপাহুনা লম্নোইহুনা চংথিবগী য়াবিনি। মমিং ফাওবা
"ইচাশা ইপা লম্বোইগ'ন হায়বক্তাওবা য়াবতাংনি।" তায়না
পাবুংহুনা মথা ভাবীরকখি। পাবুংনা তাকপীবা মমিংসি হেক তাবদা
ঐগী থাম্মোইদা লিং শাওবা ফাওখি। ঐহাক পাবুংগী মনাদো
হোটেলদা যম্না ফম্না, পাবুংনা মথা করি করি হায়থরকখিবা
খংখিদ্রে, ঐগী য়াথল নদাগীনোমা চৎপুরে। য়াথল হল্লকপদা
য়াওবনা লুতান কাশাকি অফাম ওইনা কায়দোকখি, "পাবুং
ঐ খোয়দনা ইজররগে।" পাবুংনা মথা ভাবিরকখি "মচাহুদি ৪/৫
শুহল্লাস্ম যাই মচাশিংগী য়থলদি মায়কৈগনু।"

"পাবুং ঐ ভাব তাজরে, যাম্না থুনা ইজরগ ..."
ঐগী য়াইহে তাবা নংদ্রিভৈদা শকথংদবা মুপা অমা চংজকুনা 'ঐজ্ঞা
য়াবি অমথক্তা তৌজ্রিনিংই" হায়হুনা কৌথোকখি। মখোয়গী
য়াবিদা অকায়বা পীনিংদহুনা "পাবুং ঐ অমুক য়োজবগ।"
হায়রম্নগা থেরকখি।

পাবুংনা তা কপিখিবা "ইচাশা ইগা নঙ্গোইবে", হায়বদগী ঐনা খল্লিকতং থৈ দাক্লুনা ঐনা "ইচাশা ইগা নঙ্গাইবগে" হায়রদুনা শেম-দোকচরবতনি। মিংথোং অমদি রাগিগী মাংলেন্দি লৈখিদ্রবা পাবুংনা শীবীরম্বনি। লৈখিদ্রবা পাবুংগী মফমদা নচানা পুক্তি-ল্লিমগী শিংবা ওয়া'রাইদবা লমন অমদি তোনশিন্দুনা লৈরোরে।

অদুগা যেন মান তাদনা ইনিংবনা হেক্তিনখিদুনা ইরুববা, অদান অদুই কয়া মফম মবাং খংদবমথৈ শোযববনি খন্দুনা Stageদা পুথোকশীনবা রূপমহলদা থাগৎচরুবদা রূপমহলনা হরাও হরাও লৌখৎপীদুনা ড্রামাগী অশোযবা অরাংশা অাহনবা কয়া শেমদোক-শেমজিন ককথোক-ককশিন তৌবীদুনা Stageদা পুথোকশা যান-নবা হোৎনবীখিবা রূপমহলগী ড্রামাগী লমদা হৈ থায শিংথোয়ববা অহল লমনশিং অমদি ড্রামাশিংবু লুমতাক লমজিংবীখিবা শ্রীচান্দম গোপাল লোয়ননা ড্রামাগী থ ই হাঙ্গীখিবা ড্রামাশিংগী কলা-কারশিংদা অইবনা মতম গুগী ওইনা ইথুং অনি শোয়দুনা ইকোক নোকনি।

অবোইবদা ড্রামা অসিবু লাইরিক ওইনা নমদুনা মীয়াম দা পুথোকনবা পুকচেল চাওনা অচৌবা থৌদাং অমথক পুবি-খিবা Kangla Book House কী Proprietor শ্রীকোনজেংবম বীরেন্দ্র সিংহবু অইবনা লমন তোনশিনবগা লোয়ননা হন্না হন্না থাগৎচরি

অইবা

ইচাশা ইপা নগোইরগে

অহানবা তাঙ্কক

অহানবা উংপা

(ময়াযরপ ওইনা চাওবা কা অমনি। নাকন নাকন্দা থোং অনি, ময়াযদা থোংজাও অমা, থোংনাও অনি পাল্লি। চাওনা চাওনা লাংবা পরদা যাঙ্কহনা লৈ। ক্রেম চনবা গাঙ্কিগী কোটৈ অমা ফক্লাংদা থেংলি। ফিলমগী মী য়াওবা কেলেন্দর অমম্তু থেংলি। কাগী মবায় ওইরপ তেবল অনেম্বা অমা অকোয়বদা লীগী চৌকি ৩/৪ থাহনা লৈ। মতায় ওইরপ অরাংবা তেবল অমা উগী চৌকি অমা লৈ। ময়াযথংবা লীগী চৌকিদা কমিজগী ফুরিৎ অমা যান্নুনা লৈ। অতোপ্পা নাকল অমদনা ড্রেশিং তেবল লৈ। খোম্মৈ কিরুপ কিরুপ চংঙকই। নাক যেম্তা হাযফেৎ য়েংলগা ফুরিত্তুগী ফুরিংখাউদা মাৱগা হুমজিল্লি, পৈশা লৌখারকই। মশিং হায়ফেৎ থীরগা মাগী ফুরিংখাউদা হাপচিল্লি। তোম্বা চংঙকই, খোম্মৈগী মতৌ য়েংহনা লৈ। খোম্মৈনা মমায লৈথোরকপদা তোম্ববু উই, খংদ্রেক খংই, তৌকম খংদহনা কোয়লৈ লৈহনা লৈ)

তোম্বা— পৈশা কয়াদি লৌজরে? লুপা কয়াতোবা নংনা লৌখিং হবো?

খোম্মৈ— (ঙংহনা) লুপা ৩০ থকনি।

তোম্বা— (শাওনা) ঐনা মসিগুম্বদি তৌশনু হায়রুনা কয়ারক হম্না হায়রে, মসিমক্তদা নংনা য়াম্রিবসি করিগীনো ? (চংশিল্লগা) হা করিগীনো ? কদায় ইবাম্নি ১৫/১৫ য়েম্নসি।

খোম্বৈ— য়াদে, ঐগীফাওবা কোম্নদবদা।

তোম্বা— ভাকথোকউরা নং ? য়েম্নসিরা য়েম্নরোইসিরা অহুদা হায়রু।

খোম্বৈ— মাগী হোৌনবী তৌরকঅদোনি। নহানমখে তম্বা তোম্বনা হুরানবদা ঐনা য়েম্নসি হাযখিবরা ?

তোম্বা— ঐগীনা তোঙানবনি য়েম্নসিরা য়েম্ন.রাইসিরা হেক্রা হাযহু বেরা লৈতে।

খোম্বৈ— তৌরকঅদোনি।

(পৈশা পুথোক্লুনা ১৫/১৫ য়েম্নৈ। উদয ইমুংদগী লোক খুরকই।)

তোম্বা— (তপ্না) হায় পাবুং থোরকএ।

(তুমিন তুমিন তোম্বা, খোম্বৈ থোকখি। উদয় থোরকই।)

উদয়— (চৌকিদগী ফুরিং লোৌখংলি) কেতুকী হায় কেতুকী, কদায়দা অমুক চৎপ্রবনোনে তৌরিসিবো ? (ফুরিং লিং-শিল্লি, লৈ খংদে, লৈতে খংদে অমুক কৌবদা তারেহৈদবনি। (ফুরিংখাউদা মাহুনা য়েংই) হী : ঐনা পৈশা খরা হাপখিবহুবু (হুমহুনা য়েংই) নত্তে ঐবু ফুরিংখাউদা হাপ্রুনা মপান্দগা হাপপ্রবরনে তৌরিসিবো ? (ফুরিংখাউ শুন্দিংমক হুমহুনা য়েংই) ঐবু শিজা হাপখিবরা হায়না খল্লিদা। (ফিল্লো) কেতুকী, তোম্বা, খোম্বৈ, ইবোচৌবা— ওহো; পৈশাহুবু ঐগী নত্তেদা; খীগী খরা পীবীখো হায়রুনা শিল্লরকপনি। কেতুকী, কেতুকী, (কল্লা) কেতুকী

কেতুকী— (থোরক্লগা) করিগীনো পংকোদা কৌবসিবো ? খরহু অমুক্তা নে-না তানা হোন্দোকপীখো-ঞ।

উদয়— (শাওনা) ইবেম্মা, শকহেনবী, নপাঙ্কু উত্রবদি ঐ লৈবা ঙমদেয়ে অহুনা কৌরিবনে— নমায়হুদা খুত্তু মম্নিনা হায়রজিন্দা থোমজিনববু— (থোমগে ভৌই)

কেতুকী— (হন্দোক্লগা) এ! চান্নমক্কী থাদোইনহে।

উদয়— নং পৈশা লৌথোকপরা ?

কেতুকী— ঐদি কৈদোবগী লৌথোক্কদৌরিবা ?

উদয়— নত্তে, ঐনা থবক তোকভৈদগী পৈশা থোক্কে খংঙে, ফুরিংখাওদা লুপা ২০/৩০ যাওবহুবু, নত্তে কেতুকী, নংবু পৈশাহু লৌথোকপরা হায়মী ?

কেতুকী— লৌথোক্কে হায়মী। করিনো লৌথোক্কে হায়রমক্কদা মত্তামা। ঙাওমাল্লেনহে।

উদয়— ঙাওবা নত্তে, নংনা থরা লৌথোকনবহুদা হায়বনি খংঙবরা ? পৈশাহু ঐগী নত্তে, মীগী শিন্নরকপা পৈশানি। অঙাংশিং কৌথোরকউ।

কেতুকী— অঙাংশিংদি অমত্তম্ব লৈতনা।

উদয়— লৈতবা য়ারোই, কৌথোরকউ।

কেতুকী— মীনা লৈতে হায়রমক্কদা করিনো শজিং হৌবা মীদৌনা।

উদয়— ইচান্নুপা অফাওবা ময়াম পোকপা ঐনা শজিং হৌত্রবদি হৌত্রবা হায়হুনি। মুংঙাইরে, চয়াম পোকপা ঐ মুংঙাইরে। (কেতুকী চংখি, বসন্ত থোরকই)

বসন্ত।

বসন্ত— শম্বো অপোকপা। (খুরুম্মী)

উদয়— ভাল্লো, ইচাদনি (ইংথনা) অহুবুনে বসন্ত পৈশাদো ইপাগী নত্তেনহৈ। মীগীনি, থরা পীরাখো হাকহুনা শিন্নরকপগনি। কদার কদায় ইশাদা অমুক্তা পীরকখো। (মথুং তীংথোকই)

বসন্ত— শম্বো অ:পোকপা নচাবু মংলা হারা করি মতোনোনে ?

উদয় — মং নত্তে তাৱবংনি। মংদা লৌৱম্বা তাৱবস্থ তাইবংদদি পীথোৱকউ, ইশা থেংগ্রে।

বসন্ত — (শাওনা) কৱিনো পম্বৌনা নচাদা তাকপীৱিবহুৱো ? নচাগী কৱম্বা ইরাল লৈহ্নুনা পম্বোনা নচাদা অদু য়ৌনা তাকপীৱিবনো ?

উদয় — ইহে। মংগী ড্রামাহুদি স্টেজদা তৌৱুচোনে। ঐঙোন্দদি পৈশাহু পীৱকউ থেংগ্রবনিনে।

বসন্ত — পম্বৌনা পৈশা অমাং খুদিংগী নচাদা তায়শিনবীবা, লৌবনা নচানুপা অতোম্বা থোম্মৈনা মৱৌবা। মসিবু পম্বৌগী কৱম্বা থর্ম্মনো ?

উদয় — থোম্মৈনা লৌবনি হায়ৱিবা মংবু মানা পৈশা লৌখিবা নং উহৌবৱা ?

বসন্ত — মাদি পম্বৌনা হাংবা ঙম্মৱোই থন্দুনা লোনবা শো খুদিংমক খৱনা কাম্বদা, খুংকাঙ্গীদনা কাপ্পদা হাংবা ঙম্বনি।

কেতুকী — (থোৱক্লগা) ঙম্বনি, ঙম্বনি, মাবু তম্বীবা গুরুনা নয়াম্বা ঈশৈ শকপা তোম্বনি।

উদয় — মুংঙাইৱে, মুংঙাইৱে, মমানা শেম্বীবা নচাশিংনবু মহু য়ৌনা হৈত্রবদি হৈত্রবা হায়হুনি। মুংঙাইৱকখিগদৌৱি, ঐখোয়গী ইমুং মুংঙাইৱকখিদৌৱি। (থোকখি)

কেতুকী — ঐবু ফত্তবা অমুক তাহল্লম্ববনিনেসে। লাইমস্থু ফত্তেদকো। বসন্ত, নপাবুং চথোকখ্রিঙৈসিদা ইমা হোটেল কাওবদং চংলগা চা গিলাস অমত্তা থকউখিগে, নং মুমদা ঙাইহাক্তা লৈৱম্মু।

বসন্ত — পলেম ইমা অপোকপী, পলেমবু লুক হাখিবদা ঙায়ৱিবদায়নে ?

কেতুকী — চাক চারগা চা থকপদি হাজম ওইবনিনে অপঙবা।

বসন্ত— অহ্ ওইরবদি পলেম, নচাম্ হাজম ওইননবা চা গ্লাস অমত্তং থকচগে, চা লোনবীয়্।

কেতুকী— নং হেক লোল্লগা থকহৌ। (থোকখি)

বসন্ত— (মতোমতা) হুম ড্রামা রিহার্শেল লৈ. থেংখিনি।

(বসন্ত থোকখি, থারিক জগোই শা শাহ্না থোরকই)

থারিক— (জ.গাই শানা শানা) ধা ধা তিন তিন ..

(নাওবী চংঙকই)

নাওবী— (মুন্না য়েংঙগা) অা পারা ঔরাইরিবা হায়হ্রা ?

থারিক— (জগোই শানা শানা) নথৌ লৈতে ঙাংবীরকনু।

নাওবী— হায় অঙাওবী, লাইরিক পাগেদি হায়রদনা জগোই কোত্তুনা লৈরে। জগোইহ্ নখুত্তুনা কোংপহ্‌দি নবুক থনবা যারোইনে।

থারিক— ইচেগী তলব ফংদবা কলেজগী ওজা খুংওইহ্নদি পুক থনবা য়াববা ?

নাওবী— ঐগীবুদি কোয়া ভারিদা ফংঙক দৌরিবনিনে। নংনা জগোই ফনা হৈহ্নম্ লাইরিক য়াওদনা নবৈ খংপা থোক্লবদি নংনা চন্নগদৌবিবসি কদাযদনো ? কাংখথাং তাহ্না তোকনি খংঙবরা ?

থারিক— তানিং তাসনু।

নাওবী হায় অপঙবী, নংগী ফনবা হায়বীবনিনে।

থারিক— ইচেদা ঐনা হায়বীয়্ হাযদে।

নাওবী— নংনা হায়:দ হায়হনা নংনা মনিং তৌরগা ফৈ খং:দ, ফত্তে খং.দ মুম থাদোক্নদরা ?

(বীজয় থোরকই)

থারিক— ঐনা করি ফত্তবা তৌরদনা ?

বীজয়— করিনোনে নখোয় অনিনা ঙাংনরিহ্নবো ?

নাওবী— তামো, থারিক্না জগোই তৌবসি ঐ কন্না পামদে।

বীজয়— করিগীনোনে ? জগোই হায়বসিদি মৈতৈ ঐখোয়গী থাক য়ায়া য়াংনা লৈরবা কলচরনি।

নাওবী— কলচর ফনা ওইহ্রনস্মু মৈতৈগী সমাজদা জগোইবু হম্বনা য়েংই।

বীজয়— মহ্র মীয়াম্না ভাব তানদবদগী হম্বনা য়েংবনি। ভাব তানবগা করক্কনি। লমজিংবা যাওদনা শেমদোকপা য়ারোই।

নাওবী— ফরকপা ডায়রিডে বদনাম্না হারক্কনি। থাবিক মুপীনি ভাব তাবীয়ু।

বীজয়— মুপীনা জগোই শাদনা মুপানা শাহল্লসি হায়রিবরনে নংনা হায়রিসিবো ?

নাওবী— তা.মা. ঐখোয়গী থাবিক নোংমদি শোয়দনা যুম্ন পান্দবা য়ারক্লোই। সমাজগী মিৎয়েংদা জগোই তৌবী মুপীবু কদায় ফাওবা হম্ববা মিৎযেংনা য়েংবগে হায়বহ্র তামোদি থং• বীদবরা ? মসিমক্তনা মাগী তুংগী পুন্সিদা কদায় ফাওবা অকাযবা পীরক্কদগে হায়বহ্র থনবীদবরা ?

বীজয়— মীওই থরনা ফত্তবা থবক তৌরগা খুদিংমক ফৎলম্মোই হায়না থনবদি লাল্লি। মান্নদবা পোৎ খুদিংমক্কী মান্নদবা তোঙান তোঙানবা মগুন অমদি কান্নবা লৈবনি। সংসারসিদা কান্নদবা হায়বহ্র কদায়নো ? কান্নবা হায়বহ্রনা করিনো ? নহাক হায়বা ঙম্বা ? লাইরিকমক হৈবগা মীনি হায়না থনগনু।

নাওবী— জগাইদমক হৈরগা মীনি হায়না থনবস্মু লাল্লি।

বীজয়— ফ.র. নহাক্না মী অমনি হায়হ্রগা শিংথানগ দৌরিবা মহাক অহ্নদি কনানো ?

নাওবী— লাইরিক হৈবা তলব চাবা।

বীজয়— (নোক্লগা) ই.বম্মা নংবু লাইরিক তমহল্লু বসিদি শেল ভিংনবা, মতম মাংবা তারেদকা। ইবুং না হায়গে তাউ, পৃথিবীদা লৈরিবা মীশিংসিনা তলব চাবা মী ঙাক্ত; ওইব্রা তারন্দি নহাক কদা দগী বরি চাহ্না হংগনি ? তলব চাবা

হায়বসিদি মহাক্কী স্বপ্নগী হীংনবগী উপায়নি। তলবতু য়াওদ্রবদি মহাক শিবা তাবনি। মহাক্কী ওফিসার ওইরে, তলব চাওনা চারে হায়দুনা মহাক মী অমা হায়বদু ওইরে হায়গদবা নত্তে। দ্রামা খংদে, জগোই খংদে, ওজা ওইবা, ওফিসার ওইবা, হাজিরা শুবা, দুকান ফম্বা, লৌ উবা, মীপুম খুদিংমক মীওইবগী পুক্নিংদা দরকার ওইবা ডাক্তনি। কনানা কনাদগীসু হুন্দদবনি। অমনা অমগী দরকার ওইনবা ডাক্তনি, অমনা অমগী মখা পোম্না হীংনবনি। মিংচৎ হায়বসি হিরম খুদিংমক্তা ফংবনি, ভাব তারববা ?

থারিক— ঐনা জগোয় তৌবগীদমক তামোখোয ইচেখোয় কনামত্তা যেংনবীগনু, খংনবীগনু। ঐবু জগোই শাবীনি হায়দুনা লাউথোকপীগদবা মখোয অদুগী মখা পোম্না হীংলুগদবা নত্তে। মসি ঐগী পামজবনি, ঐগী শিনফম্নী। মসিদা কনাগীসু খুৎ থিংজিন্নবগী অধিকার লৈতে।

নাওবী— লৈতে, অদুবু ঐ নচেনি, মচে অমা ওইনা নংগী অফ ফত্ত খুদিংমক্তা ঐগীসু যেংশিন্নবগী অধিকার লৈ।

বীজয— লৈনে, অদুবু ঐনা হাযরিবসিনিনে—

নাওবী— (শাওনা) হেরা, তামোখোয়না কনখৎ কনখত্তনা অঙাংসি মাংহনগ.দৌরবনি। (শাওনা থোকখি)

বীজয— য়েংঙু নেসে, মঙোম্দা য়েংলি হায়দুনা শাওরিবনিনেসে। (থারিক্তা) হায়, তারেদনা ঙাংনরিবসে, হেক ঙাওশিন্নৈ তাবদা নখোঙদু খুদেক্কদবনি, ভাব তারবরা ? (থোকখি) (থারিক চৌকিদা শাওনা ফম্মী, উংদুনা লৈ, অঙোবা ঙাং ঙাংদুনা চংঙকই)

অ.ঙোবা— (মত্তোমত্তা) করি চা.পদনা চোংথোক্তা চোংশিনগা অমদা অমুক অমদা অমুক চগৎ চগৎ মহুনা করি কায়গদোরিবা ? (থারিক্তা মুন্না য়েংই) হায়_ থারিক, ইচনবু করি তৌরবগেন উংদুনা লৈরিবত্রবা ? মৌন ব্রত তৌরিবা

হায়দ্রবনে ? মুমিং চুপ্নগী নখুং নশাঙ্গু থেকপগা খোংপগা ভাইহাক্কা তুমিন্না লৈবা হৈতবা নংনা ঙসি তৌরম্মীসিবু হেণ্ড ডাউন স্ট্রাইক তৌরিবা হায়দ্রবনে ?

থারিক— ঐঙোন্দা হৌজরক্নুকো, ঙসি ঐ থরাই যাম্না মুংঙাইতে।

অঙোবা— থরাই মুংঙাইতবগীরা চ্যাম্ভা তৌদ্রিদো। তৌ তৌ তৌ ইচনসিদি।

থারিক— ঙসিনে হ চাহ্নুনা হেক শিদোকখিনি। (শাওনা চংখি)

অঙোবা - ইবেক্কা হ চাহ্নুনা শিগদৌ শরুকপুদি মপুকচেল পীকপা মপুক কত্তবা, মশাগী ওইজবা থীবা, লৈবাক্কী যেক্লবা অমা হাংলম্মগা ফাসিগী সগাই কাখো, মহুনা হেম্না মীযামদা কান্নগনি। পংইদা অঙাংসে।

(ইবোচৌবা চংঙকই)

ইবোচৌবা— অঙোবা, ইমা লৈবরা ?

অঙোবা— খংদে, ঐবু ঐখোয় ইমা শংহুনা লৈবা মীদোনা। (চংখি)

ইবোচৌবা— মসিগী অঙাংসি শক ওম্ভোক্লা তাখংপ্রেদা। ইমা ইমা, হো ইমা-ও। তৌরদোনি। কৌবদবু তাত্রবা হোটেলদা শীরা ঙাংনবা চংলম্মদবনি। (কেতুকী চংঙকই)

ইম্নাবু কদায় চংলুব্রিবনো ?

কেতুকী— চা গিলাস অমত্তং থকউবনি, কৈদৌরগে ?

ইবোচৌবা— কদায়দা থকউরিবা ?

কেতুকী- কদায়দা ওইনি, হোটেলদনিদনা।

ইবোচৌবা— (শাওনা) করিগীনো ইমানা মুমিং খুদিংগী হোটেলদা চংলিসিবো ? য়ুমদা লোল্লগা থকপা য়াদবরা ?

কেতুকী— কৈনোহে, চা গিলাস অমত্তং থকউবকাওবা হেক য়েংশিন্নদনা।

ইবোচৌবা – ইমানা চা থকউবগীদমক য়েংশিনবা নত্তে। ইমা· খোযগুম্বা মুপী ময়াম পুনশিল্লগা মীরা ঙাংনবহৌবুনি। মী অমত্তং লম্বীদা চংচবদা মযাম চংহৌনা পুথোক্লুনা ঙাংনবীরগা ইমাখোযগী করিবু কান্নবগে ?

কেতুকী– ঐখোযনা করিবু ঙাংনরবগেনে ?

ইবোচৌবা– মুপীমচা অমত্তং চংচবদা, "হেংঙুনহে খোংউপ অসিগী খুনিং অসি রাংদ্রা ? তৌজনিংবা হেক মাল্লদনা, হৌজিক্কালগী লৈশাবীশিংসি। তৌজশারি-স অহুনিগা আদা নিগা পামজদেগা।" মখোয মখোযগী মরা মপুবোইববুনা "ইনম্মা মখোয় মুপাহুদি অহু তৌই হাযনহে" মখোয মখোযগী মচানুপা মচানুপীশিংহুনা তৌরগনা তুমিন্না হেক মরৈবা, মীনা তৌরগনা হেক মঙাংনবীবা। (বল্লপ) করি· গীনো ইমাখোয়না মীরা অস্তুক যান্না ঙাংননিংইসিবা ?

কেতুকী– তৌবু তৌই হাযবনি, মহু হায়ববু নঙোন্দা চীকঅর· বরনে ?

ইবোচৌবা– চীকঅবগী রা নত্তে। মমাংঙৈগী মৈতৈমুপীগী থৌনা, মরিংজেল, লমচং যজবদা মমিং চংলম্মী, রারিনরম্মী। অহুবু কুনশুমা শতাব্দী লোইরমদাবগী মৈতৈ মুপীগী থৌনাদি কদায় ? লমচংনা কদামদা ? রারেম থৌরেম শুবা মীরা ঙাংনবসিরা মৈতৈ মুপীগী মগুন ?

কেতুকী– করিনো নংনা ঐঙোন্দা লেকচর তৌরিহুবো ? চা গিলাস অমা থকপদবু রা অমা/অনি ঙাংনদবা য়াবরা ? করি চাগে হাযহুনা ঙাংজ শাবিনো ?

ইবোচৌবা– মীরা ঙাংনরিবা ইমাবু কয়াম ফরবগেনে ? নশাগী শুমাং শিত্তনা মীগী শুমাং শিংলুমু ইমা। ইমানা চা থক্লীং· লবস্ম যুমদা লোল্লগা থকপীয়ু।

উদয়– (চংঙল্লগা) করিনোনে নমা নচানা ঙাংনরিহুবো ?

কেতুকী– থংদে, থংদে, নচামুপামা ঐবু চাগদোরে।

উদয় — করিগীনোহে নংনা নমাবু চাথোক্কে তৌই হায়রিবসিনা ? (ফম্মী)

ইবোচৌবা — পাবুং, ঐখোয় ইমা মীরা ঙাংনবা মরুপ অমগী সেক্রেটরি ওইহনা ফাওগংলকই । মখোয়গী ওফিসনা হোটেলদা ।

কেতুকী — কযা ঙকই মচাম্নোনে ।

উদয় — শাফবা, নংনা হাযরিবহ্নু ইপাস্নু তাবে । খ্বাইরম্বন্দ বাজারদস্নু খবর কাগজদ যাওবরা করিনো ময়াম্না ঙাংনহৌই । সেক্রেটরিগী মিং ফাওবা পম্নহৌই ।

ইবোচৌবা — পাবুং ঐখোয়না হায়জবদি তাবীদ, পাবুংনা মতাং চারিঙৈদা থীক তৌবীহৌ ।

কেতুকী — মসিগী মচিন থীবা অঙাংসি— (ফুগদবগী তাম্নৈ, ইবোচৌবা চেনশিনখি)

উদয় — (কেতুকী ফারগা) করিনো অঙাংসিগা হেক মান্নরদনা — নত্তে, ঙায়খো, ঐনা নঙোন্দা হংগে খল্লকপস্নু কুইরবনি — । অা, নখোযগী মরুপতুনা মীরা ঙাংনবদি পারা কদায় যৌনবে ? ঐগীগাদি য়েংরক্তৗনকো ? নখোযগী সিগুস্না মরুপসে মসিনা ঙাংননিংঙাই লৈবক্তগা ময়ুম ময়ুমদা লৈবা মরা মপুরাইবা ফাওবা পুথোক্নুনা (মখোল নৌথনা) ' ইনম্মা, ঐখোয় নুপাহুদিনে" অহ্নু তৌই আদা তৌই ঙাংনৈ হাযয়ে । অদো, ঐগী পারাগদি যৌরক্তৗকো ?

কেতুকী — করিগীনো ঐনা চা গিলাস অমত্তং থকপা ফাওবা নখোযনা অস্নুক যাম্না য়েংশিনবীরিসিবো ?

উদয় — কেতুকী, নংনা থক্লীংবা চাদো যুমদা লোল্লগা থকপা য়াই । তাঙ্গা চাদবদা নোংমাফাদোক থকউবনা অতোপ্পনি । নংনা চা থক্লীংবা নোংমা ফাদোকী রা নত্তে, নিতিগীনি । মতম নাইনা খৌরাংবনি । যুমদা লোল্লগা থক্লবস্নু পুংখায অমা ফানা চং ঙায়দবা অহ্নবু নংনা হোটেলদা হাম্নস্নু

লোন্দুনা লৈরবা চা গ্লাস অমত্তং থকপদা ৭ং ২/৩ চংবগী অর্থবু করিনো ? মুপীনা মপাল থোক্লনা মুপাগুম হোটেলদা চা থকপা লেম্মী হায়না খনগনু। ঐখোযগী লৈবাক মৈত্রবাক্কী ইউরোপ নত্তে, অমেরিকা নত্তে। মীয়া ঙাংনবনা নশাগী ইজ্জৎ হন্থরকপা নত্তনা চাওখৎলকপদি ওইরোই, ভাব তাউ।

বেতুকী— অদুবু ঐনা ঙাংলিংহনা ঙাংবদি নত্তেদনা। ময়াম ফম্বনিনা অমনা অমা হেক ঙাংবা হৌরকই, ঐস্থু চীন অমা পাল্লীকৌবনিনা হেক যাংশিল্লুবগী য়ানি। মোই পাবুংস্থু খিং ঙাংলিমনগ্রে।

উদয— যাংশিল্লুবগী মীশানা নংবু তোযনা তোযনা হোটেলদা কৌরকই। চা খৌরাংলংস্থু খৌরাংত্রবস্থু চংনিংঙকই। কেতুকী, নশাগী ফাওবা নশানা হোৎনজবা ঙমদ্রবা মতমসিদা মীগী আশায়বা থাহনা লৈগদবা নত্তে। নশাগী ফননবা হান্না হোৎনখো—। ঐ হৌজিক চা থক্লীংঙে, নংনা লোনবা তনবদগী হোটেলদগী লৌরুদোবিবরা ?

কেতুকী— (শাওনা) চুম্না লোল্লু হাযবীযু, য়া ঙাংবদা কোচী থাংবীমু। (চংখি)

উদয়— (মতোমতা) মীসে অাশংবা হায়রবদি শাওবোরে।

খোম্মৈ— (চংঙকঅগা) পাবুং, পাবুংগী পৈশা হায়বত্থ ফংঙবরা ?

উদয় (ঙক্লা) করি হাযবা ?

খোম্মৈ— পাবুংনা নহাল পৈশা খরা ফংগদবা লৈ হাযখিবদো ফংঙবরা হায়বনে।

উদয়— কদায়দগী পৈশানোনে ?

খোম্মৈ— পাবুং অদু ফাওবদি তৌশিল্লকনুদা, ঐ লোয়না থংইপোংনি।

উদয়— মসি ঙসি লাচৈসিনা মযাং.লনসিদা শাম্বু (ফুগে তৌই)

খোম্মৈ— (হন্দোকঅগা) খুয়া মোইবুংগা ঠিকা তৌমিন্নবগী বীল ফংগনি হাযখি নত্রনে ?

উদয়— নংনা ঙসাই সৌখিবা লুপা ৩০ দুনা কদায় চংগ্রবা ?

খোম্বৈ— ঐদি লৌদি লৌদনা।

উদয়— করি ? নংনা লৌদনা কনানা লৌদোরিবা ? নংনা পাম্মগা ইরেঙনা পীযু, হায়বা য়াদবরা ? করিগী হুরাল্লিবনো ? হা করিগী হুরাল্লিবনো ?

খোম্বৈ— পৈশা অমাং খুদিংগী ঐঙোন্দা স্নুম তাযনবরনে ?

উদয়— নংনা লৌরিবুদি। নত্তে খোম্বৈ নংবু পৈশাদু করিদবু শিজিন্নখিবগে ? নংবু য়ু থকপরা, জ্বার শান্নরবরা হাযমী খোম্বৈ ?

(থাবিক থোরকই)

খোম্বৈ— শান্নদে কৈস্নু।

উদয— অদুদি লুপা ৩০ দু কদায চংগ্রবা ?

খোম্বৈ— তা:মা তোম্বনা লুপা ১৫ লৌগ্রদুবু।

উদয— আ : মুংঙাইরেনে, পৈশা হুরাল্লগা নখোয নচিন ননাও যেন্ন রেন্নদুনা মুংঙাইরেবা।

খোম্বৈ — অদো পাবুং লুপা ১০০ খঙদি পীযোবা।

উদয়— লুপা ৩০ ছুবানখিবদা ঙাযরিবা অদুগা অমুক লুপা ১০০ কৈদোদোরিবা ? লুপা ১০০ দুনা কৈদোদোনিবা ?

খোম্বৈ— পীদ পীযু।

উদয— কৈদোনবনো হাযযোমী।

থারিক— ঐখোয় তা:মোচাগীদি কবিগী ওইরুনি, হু থরুবনিদনা।

খোম্বৈ— অঙাং নং ফরক তারক্নু, কীন চাজনি।

থারিক— ফুবিরো:হে। পাবুং, ঐখোয় তামোচা.স মযাং দুকান্দগী ক্বাগা চুরুটকা লাকঅ লাকঅগা থকই হাযবনি।

উদয়— তৌদ তৌরমগনি মাল্লিনে শক্কাসি।

খোম্বৈ— লাক্কেসে কৈস্নু, মীনা শোংখৈ শোংলগা।

থারিক— মচিন থীজিন্নরিনি, লাকপনি।

খোইম— নং ভগি হৌজসুকো মৃতলকনা।
(কেতুকী চা পুদুনা থোরকই)

পাবুং, পৈশা হাযদো পীরোমী

কেতুকী— পৈশাবু কয়ানোনে ?

উদয়— হরাওদোনা লুপা ১০০, পীখো হায়রে। (খোইমদা)
নভে নংনা মীগী চুকাপগী কাগা চুক কা শোংলুরিছবু কদায়ৎ
দগী পৈশানা শিংগনি হায়দুনা শোংলুরিবনো হায়জী ?

খোইম— অদুনবু পাবুংদগী পীবু হায়রিদনা।

উদয়— পাউথুমগাদি—

কেতুকী— হায়গুম্বদুনা থোইপাবুং বীলু হায়বদু কংবীরকঅবয়া ?
কংবীরকঅবদি ঐভোন্দা লুপা ৫০ থক্লা পীবাবু।

উদয়— কৈদোনবা ?

কেতুকী— করিনো ? হোটেলগী পৈশা শিংখিনবনে।

থারিক— পাবুং, ঐগীন্সু লীপস্তিক লৈনবা লুপা ২০দা পীয়ু।

উদয়— (নোক্লোংদনা নোক্লগা) পীনি, ইচাগীবু করিগী পীদনি।
ইচাগীদি পাউদুর লৈনবন্সু পীনি। (কেতুকীদা) নংগী
হোটেলগী পৈশাদি করিগীনো ?

কেতুকী— নুহালমৈখে চা থকুইসিদি।

উদয়— কনানা থকুইবা ? নমা নচা নখোয় মুয়ামা থকইবরা ?

কেতুকী— ঐ ইথন্তনিদা।

উদয— থা অমদা নথন্তনা লুপা ৫০ গী চা শোংলগা থকইবা।

কেতুকী—হোই, অদুবু কৈদোরগে ?

উদয় হয়েত হয়ে। অদুনবা নংনা ভসাই ঐভোন্দা "চা গ্লাস
অমত্তং থকপুক্লাওবা য়েংশিল্লি", হায়দুনা শাওখিবনো ?
(শাওনা চা থকপা য়েংশিনবা ঐভোন্দা করিগী পৈশা হায়রি ?
অথকপা নংনা অদুমু পীখো।

খোইম— পাবুং, ঐখোয় ইমানা শোংপদি য়াবরা ?

উদয় — (লাওনা) করিন্না নখোয় মুয়ামা ঐভোন্দা তৌবিসি:বা ?

ঐবু ভলব কয়া য়ায়া চাউনা চাবা ওকিসাররনো ? মীনা ঠিকা ভোবদা সেম্বার মচা অমত্তং নপত্নুনা য়াওক্করগা, নখোয় ময়াম্মা কংলকদবা পৈশা থবগী মমিদা হিসাব লোয়খোক-পীরবীসিবু করিগনো ? হে ঈশ্বর, কলিদা চায়াম পোকপা, মমা কত্তবীগা য়ুযানমিমরা, ঐগী নহালমুকী করম্না ইরালগী দন্দিনো ! ননাইবু থিং থুনা লৌশিনবীরোগবা।

কেভুকী— মোইপাবুং, ঐনা হোটেলদা লুপা ৫০ থকী চা শোত্তুনা থকলুবগীদমক্তরা ঐবু মমা ফত্তবী হায়বীরিবসে। কৈ, কৈ অয়বুদি—(চংখি)

খোমৈ—(কপ্পা) পাবুং ঐস্নু নচাগুপা অতোম্বনি। পাবুংনা ঐবু পোকপীরমগ্রবদি ঐস্নু কৈস্নু লৈবগ্মোই। ঐনা পান দুকানগী কা থরা চুরুপ থরা শোংলুবগীদমক ঐবু অচুক থীনা হায-বিবদি হাকমল্লি। ঐস্নু পাবুংনা পোকপীরমগ্রবদি দুকান্দগী পোংস্নু কৈস্নু শোংলগ্মোই।

থারিক— পাবুং ঐগীদি পীয়ুকো।

উদয়— (লাওনা) হায়ত। মফম মরাংদি থংদনা।

(থারিক পাখত্তুনা চেনশিনখি)

মুংভাইররকদৌরি, ঐখোয় ইমুং মুংভাইররকদৌরি। (চংখি)

খোমৈ— (কপ্পা, মতোমতা) ঐখোয় পাবুংসে মপুক শাথিনা কত্তেয়ে। মসিদনে ঐনা পৈশা হেক হেক হরাল্লিবসে। য়েংতুবা, ঐনা হোরেল হরান্দবরা ? (কপ্পী)

বীজয়— (চংত্তরুপা) করিগীনো নংনা ঙংত্তিহনা ? ইখিন বেরা তৌররবা ?

খোমৈ— বেটি, শিবে, চার্জ তৌননবা পৈশা পীয় য়াদবগী হরান্দৌরিবা।

বীজয়— পাবুংদা হায়য়ুদনা হরান্নো শরুক।

খোমৈ— হায়রে, পীয়ু য়াসে। মভুংদদি পৈশা পীয়ু স্নুংকহায় হায়রোই, পন্থুদা হরানগনি।

বীজয়— 'কয়ানোনে নংনা পীয়, হায়রিবনো ? (লুপা অমা পুঁখোক্লুনা পী) সে সে।

খোম্বৈ— লুপা ১০০ পীয়, হায়রগা।

বীজয়— ঈ: (খংহনা হাপচিল্লি) অহক মাম্বা পৈশাদি করিগী ?

খোম্বৈ— মরম লৈদনা পীয়, হায়রিনি।

বীজয়— (তপথনা) খোম্বৈ, ইয়াম্বা মা হায়গে তাউ, লুপা ১০০ হায়বসে পৈশা অঙাং নত্রবনি। পৈশা হায়বসে যেয়া ফংবা য়াদে। পাবুং থবক তৌত্রে, শেল খোক্লে। পাবুংগী হায়ববু মীগা তিন্নরগা তৌবা ঠিকাদগী থরা থরা ফংলক-পহদনি। ঐনা ফংলিবা তলব লুপা ৫০০/৬০০ সে মসিন্সু লেম্না ফংবা নত্তে। মসিদং ফংননবা হোংনবদা থা অমা চংই। মসিদা ফংনবা হোংনবদা মীরা মীচৈ কয়া তারিবনি মাথা শায়, পাকল রায়। ফংঙকইবা শেলসিনা ঐখোয়না নোংমদা চরা অনিরক চারিবা, ফি রোল শেংলি ইরিবসে লৈরিবনি, ভাব তারবরা ? (চংথিগে তৌই)

খোম্বৈ— লুপা ১০০ থকপু।

বীজয়— (হজিল্লক্লগা) ফবেনে, থা অমগী পুপা ৬০০, ঐখোয় ইমুংগী মী ১০, য়েম্বোক্লরসি, কয়া কয়া থুংনেরে ? হায়য়, কয়া কয়া থুংনেরে ? মী অমদা লুপা ৬০। নংনা পাম্মীবা লুপা ১০০ হ ফাওবা য়োদে। লুপা ৬০০ হায়বসে পুনশিন-বলিদা মাম্বোই নীংবনি, শীম্দোক শীনজিনম্ন কোয়বনি। শেল খোক্তবা নংনা বাবু শাবা কায়দবনি। চাগা য়েনো চাদিং তৌগদবনি। নোংঙানবদগী মুমিং তাবা ফাওবা বাজারদা হজং হন্দা চংপনদি মুয়িংথাও চপ্পা হৈরকপদগী হেয়া করিস্নু কাময়োই, ভাব তাউ, লম হেনগসু। (চংথি)

খোম্বৈ— ই ! মা মঙায়রেমে জ্ঞান তাবা, পৈশা থরা খোকএ হায়দনা অফাওবা হেক শায়দনা। ('লাওনা) লৌবীরোইয়ে ম্নুকলো লৌবীরোই

[illegible] ([illegible]) কক্কিনো, নহা [illegible] থাওরিবনা ?

খোটম— (শাওনা) হংবীরকনু, মীনা লুপা ৩০ দা ফরানকরক্ক

তংথায় অমা মুনবীগ্রা—

তোম্বা— [illegible] [illegible] [illegible] হায়মী, পাবুংনা তাগ্রগা অশেংবা

ও[illegible]বোই নীংগ্রনেমী।

খোটম— [illegible] ?

তোম্বা— লোইনে, অহবু ঙায়খোবা, ইবাম্নি তপ্পা জান তানা

অমুক্তা ঙাংনম্নিনি।

খোটম— ঙাংনরোই। পাবুংনস্থ পৈশা পীজে। তামো তোম্বা

ঙসাইগী লুপা ১৫ দু পীরো।

তোম্বা— হেন্না, ফরক তুরক, ঙায়খো, ঐখোয় পাবুংগী বীল

হায়বত্থু ফংগবরা ?

খোটম— থংদে

(অঙোবা খোরকই, মখোয়মা ঙাংনতহ্ তায়)

তোম্বা— শাওখিম্নু হায়মী নংবো। (শো অমা পুথোক্লুনা

উংলগা) উরেদনা

পাবুংগী উপু শো হাংগে, নং মী য়েংঙু।

খোটম— (হন্নাওনা) য়েংগনে।

(অঙোবা চংখি)

তোম্বা— নংগী পৈশা কয়ানো ?

খোটম— ১০০

তোম্বা— চনি পীরক্লি মী য়েংঙ্ক্রাও।

(খোটমনা মী য়েংই, তোম্বনা মপাগী কাংবোমদা চংগে

তোই)

অঙোবা— (খোরকয়া), তোম্বা !

তোম্বা— ([illegible]-থনা), হা !

মৈ, মুংলি।

অহানবা ভাক্ক

অনিশুবা উৎপা

মফমঃ— হান্নগী অহ্নমক
মতমঃ— অয়ুক অঙনবা

(মন্নুংদা য়োং থাদবগী মখোল্ তায়। ইবোচৌবা মশা মুক মুত্নুনা চংঙকই, স্বর চাওনা চাওনা হোল্ল। হৌগৎ ফমথ ৫/৬ লক হোই। মিংশেল্ য়েংলগা পাম্নোমগী মশাস পুখোবই। রাজেন চংঙকই)

রাজেনঃ— (ইবোচৌবদা কোযনা য়েংলগা) সৈত্য, তামোচৌ, ঐস্মু হকচাংসি তামোচৌদৌনা ফরম্লবদি মীগসে অমত্তা কিরম্মোই।

ইবোচৌবাঃ— (হবাওনা) রাজেন, ঐগী হকচাংসি হাযফেত্তি ফরমাল্লনে। হা করি হাযগে ? (পাম্নোম মুকই)

রাজেনঃ— হাযফেৎ ফরে, তামোচৌ।

ইবোচৌবাঃ— (হরাওনা, নোকই। হা হা হা (টাওরেলনা হুমাং তৈথোকই।

রাজেনঃ— তামোচৌ, একসরসাইজ তৌবসি থীবোং রাম্না লাওই হায়নৈ চুমবরনে ?

ইবোচৌবাঃ— হেরা রাজেন নংগীহু ঐঙোন্দা হাযগে হায়দুনা হায়রিবরা ?

রাজেনঃ— তামোচৌনা ভাব অমদা থনবীরে - ঐনা হায়জবদি থরদি চাগন থকনদ্রা হায়জবনি।

ইবোচৌবাঃ— অহুবুদি চুম্মীনে। একসরসাইজ তৌরগা অফ অফবা চীজাক চাত্রবদি কায়দে রাজেন।

রাজেনঃ— হায়রি রাশিদি চাঙ্গা থবা লামগনবা লাইরবা মীদি একসরসাইজ তৌরগা মশা ফগৎপদি লাইরবনা চি থুংহনা শিবগী রা লৈ।

ইবোচৌবা.— (নোকই) হা হা হা।

রাজেনঃ— অদুগা তামোচৌ একসরসাইজ তৌবা মীশিংসে থবক শুবা তনগল্লি, শুনিংদে, অদুগা মীঙোন্দ মশা ফবা উৎচনিংই, ফুরিৎ লিংকন্দে হাযনৈ চুমবরা ?

ইবোচৌবা— নংগীদু ঐঙোন্দ হাযরিবরা ?

রাজেন— নাত্তদা তামোচৌ। হায়ম্মু হাযবনি, তামোচৌগী হকচাংসি হাংফেঙ্ড ফরে কনম্মু হায়ফেৎ কল্লম্মনি। হেভী-রেইট লীপতিং কমপিটিসন অমুক্তং য়াওহন্না লাইবক য়েংবা য়াবজাংনি।

ইবোচৌবা— ঐম্মু থল্লিবনি অমুক্তংদি লাইবক যেংগে হাযদুনা।

অঙৌবা— (থোরক্লগা) ঐখোয ইমুংগী Diect মত্তাসিনদি কৈদৌরুনি ? হজাম য়েন্দেম্নদি মীগা লম্না তৌরুবা হাযবসিমক্তবু অঙাওবা তাহনা তোরুনি।

ইবোচৌবা— নোংঙানবদগী মুমিৎতাবা ফাওবা রাবেম ঙাংবা রাজনিত্তীরালা নংনা হকচাংগী মরমদা করি খংহনা ঙাংঙিবনো ?

অঙৌবা - তামোচৌ, Russia, America শুম্বদা কবোরপটি মমা মপানা থাক্লকপা মচাশিংহনা, মৈত্রাবাকী কোবী, হজাম থাবা মমা মপানা থাকপা মচাশিংগা লাম্না তৌবা য়াক্লোই হায়বসিদি হায়ত্ররবম্মু খংকম থোক্লবনি।

ইবোচৌবা— নংনা Russia. America গা হায়দুনা ঙাংঙিহবু নংবু উক্লরবরাও ? মীনা ঙাংনবা তারগা নংনা অখংবা শাহনা ঙাংঙিবনিনে। Paona Bazar দা থোকখিবা

খোংদোক্তু Bir Tikendrajit Road তা পাউদম্বদা খেন্নরবা মতমসিদা নংগী America, Russia গা হায়বত্থ কৈরমগদো মাল্লিবরা ? লৈ হায়বস্থ খংদে, লৈতে হায়বস্থ খংদে, মিংনস্থু উত্ত্রিবা লমহুবু, নমিংমক্কা হেক উরবা, যাম্না খংগুবদোনা ভাংঙিনে। হে অঙাং, নরা খ্বোদে চংথ্রো চংল্লো।

অঙৌবা— খোইনে ফবেনে। America স্থু Russia গা হায়বত্থস্থু লৈত্রসম্বু, বেবা লৈত্রে, ঐস্থু উরুত্রে। India হাযব অমদি লৈরিদনা।

ইবোচৌবা— অঙৌবা নং রা যাম্না ভাংগদৌরিনা।

অঙৌবা— ফরে India স্থু তোকঅসি। মনিপুরদি লৈযম থোকই। মনিপুরস্থু লৈহল্লবোইসিবা ?

ইবোচৌবা— ইহে অঙৌবা নং শোয়বা তাত্রে।

অঙৌবা— ফরে, মনিপুরস্থু তোকঅসি। Imphal হাযব অমদি লৈহল্লসি। মীশিংস্থু কাবক যাম্না লৈ।

ইবোচৌবা— ইহে, অঙৌবা।

রাজেন— ভাংনরিবা রামফসি কৈনোমা তৌনবক্কদোরে।

অঙৌবা— শেল্ পায়বস্থু মান্নদে।

ইচৌবা— অঙৌবা।

অঙৌবা— তামোচৌনা লৈরিবা ইমুংসে লাইরবা ইমুংনি। অহাওবা চাবা মীগা চরা হেনবা মীগা লাম্বা য়ারোই হাবজবনি। মসি হায়রগা তামোচৌনা নাতোল উত্তুপ-মুক চাওবমখৈ শাওবিরিসিবু করিগীনো ?

ইবোচৌবা— রাখি রাবেমত্থ তানিংদে'বা।

অঙৌবা— মশানদি থরাই য়াওজবা লৈদি লৈজদবা মীওইশিংদা সরকারনা মতেং পাংবীকম থোকই।

ইবোচৌবা— নং ঐনদি মতেং পাংবীবম খোকই হায়নি, সরকারনদি মনাংস্থ তাবীবোই, বরি কাৈম।

রাজেন— তামোনা হায়বীবগুম্বদনা Sports কী লমদা খংদে অমদা খংদে হীবম খুদিংমক্তা সবকাররা মিংয়েং চংবীদে। হায়দ হায়রুরগা অহ্ন তৌবনি, অাদা তৌরনি হায়হূনা পংভাংদ ভাংই। তৌ'খারকপরা স্কুল লৈতে। মসিগী খল্লরবদি ঐখোয়স্থ খরাইসি শাখিনা নুংঙাইজরে।

অঙৌবা— ঐনা হাযরিবসিনি রাজেন, পেন্দরা মংগনসি কম-দৌরগা কোকহনগদ গ হায়হূনা ইচাম্বনা রাজনিতী য়াওরিবনি। ইযাম্বনা ভোৎ অমুত্তৎ লেপ্লগা মপ্তি অমুত্তংদ ওইখিগে। মহ্ন ফাওবদং রাববস্থ রানা ভাযরো।

ইবোচৌবা— নংনা মপ্তি ওইরগা কৈদৌদোবিবা ? নংদ কৌজেংদৌনা চোং চোংহূনা শাম্নৌ।

অঙৌবা— (শাওনা) তামোচৌগী রাহ্ন য়াম্না লাম্নদা।

ইবোচৌবা— কৈদৌবৈ লাম্দোয়নো ?

অঙৌবা— করিগী লাম্দনি। তামোচৌনা অহ্ন হায়রদি তা মা-চৌনা Excercise তৌরিসিদি Circus কী জোকর শানবরা ?

ইবোচৌবা— করি ? নবায়হূ খুগাযমুরা ? (ফু-গ তৌই)

রাজেন— (খাম্নগা) তামো অমুক্তা ভায়বীখো।

অঙৌবা— তামোচৌনা হায়রগনা য়াবা, ঐনা হাযরগনা মশাওবা, তামোচৌ মী মীগী অপাম্বদা য়েথায়বা পীবীগসু, করেম্নবী-গমু। (শাওনা চংখি)

ইবোচৌবা— হৈ অঙাং- নংনিনে করেম্নরিদি। নোংমদি ঐগী খুত্তা শিরখিনি নং।

তোম্বা— (চংঙক্লগা) রাজেন ঐখোয় ভামোচৌ মনাক পাংনক নকউন্নু তিলহৌ চনম হাম্না চাবনি ।

রাজেন (মতোমতা) করমনানে তৌব্রিমিবো ?

ইবোচৌবা — (শাওনা) অঙাং নং অমম্নু নমায়হু থুগায়দনা উজার শাররনি ।

তোম্বা— কব্রিগীনো ভামোচৌনা তীলহৌ চনব চাম হায়রগা শাওবিব্রিসি বা ? চবু চায় হীরবনি ।

ইবোচৌবা — মাসগী অঙাংসি হায়র হীররগা হেল্লিনে ।

(চংশিনগ তোই রাজেনা ফায)

ন ঙসিদি হায়রে মতুংদা অমুক হায়রক্লবদি নমায়হু থুগায়রগদবনি থংঙবরা ? (শাওনা চংথি)

তোম্বা— কব্রিগীনো ঙসিদি ঐখোয় ভামোচৌনা পরমদা লৈরম্মিসে ?

রাজেন— হৌজিক্তা ভামোযাইমাগা চীকুথিবদা ভাম্রিহৈদা নংনা অমুক ফরক তশিল্লকপা ।

তোম্বা— চনাগা ভাল হাগা চাবা মগা মরে চাবা মগা রা ঙাংনবদি কদায়দগী যাবদগে ।

রাজেন— ঐ হয়েংমথৈ লাকচ রোই ।

তোম্বা — কব্রিগী ?

রাজেন — নথোয় অমমনতা উম্নরবদি ফৈ পুম্নপ পুম্না থেংনক্লবা নুমিত্তুদি ঐ কাংজ্রুম থীহুম ওল্লে ।

তোম্বা— এ। নং ঐগী ঈশ হায়বহু ইরবরা ? ফনদি ফুইরে হায় ঐনা নঙোম্দা হায়রকইবসে ।

রাজেন— ফজ ফজদুদি থংদ, অমদি মাওরি ।

তোম্বা — কদায় যেংগে ।

(রাজেনা পুথোক্লুনা পী তোম্বনা পাহনা য়েংই)

কৌজেনহে। Harmonium পুখোরকউ।

(রাজেন ইমুংদা চংখি)

লৈরবরা ?

রাজেন— (মসুংদগী) লৈরে। (Harmonium পুদুনা খোরকই)

তোম্বা— (Harmonium খোংই) ঐ স্বর শানগে নং

রংচুকো। (ঈশৈ শকই)

শাংলবা লম্বীনি, তেললবা পুক্তিনি,

নিংশিংউ কাউগনু তাইবং ॥

মিংকুপ'মদা কপকনি খঙোইশোক্লা,

মিংকুপ'মদা নোকনি খঙোইশেন্ন।

নোক্লা কপ্পা লোয়খিনি পুক্তি,

নিংশিংউ কাউগনু তাইবং ॥

(ঈশৈ শক্লীঙৈ বসন্ত চংলকই, ঈশৈগী স্বরদা Acting তৌই)

বসন্ত— (কপ্পা) ঐবু ওম্বোক্লা শিনিংখিদ্রেদা, ঐবু ওম্বোক্লা

শিনিংখিদ্রেদা।

তোম্বা— (ঈশৈ লেপ্লগা, ওক্লা) করিনো তৌবিরিব্রবো ?

বসন্ত— (নোক্লগা) Acting, Drama গী Rehearsal,

নংগী ঈশৈ, ঐগীনা Dialogue.

নাওবী— (চংওক্লগা) লাইবিক্লদি তন্নহৌত্রবা ভাক্তনিনা

রারেম খৌরেম ভাক্তা ভনবি ওইরিনি।

বসন্ত— হে অঙাং নৱা লৌদে চখোকজ্রো চংলু।

নাওবী— অচুম্বা হায়রদি শাওরিনিনে ?

তোম্বা— ইবেম্মা, ওঙ্গা অকোঙ্গী, তসব কংনবী, মাইদা

অকাওবা শারম্নু।

নাওবী— অদুগী রাদি তামো, লুপা লিশিং তরাদং খৈবদা

ওকিসার অচৌবা ওইবা য়াইদে।

তোম্বা— নংনা লুপা লিশিং তম্বাহ্ লৈবা ভাইরিভৈ, নংগী চহিহুদি লোরকনি, চহি হেনোকপ্রবা মতমদদি নংগী Degree গী Certificate তু ইবেম্মা শম্বিফিকেং, তাব ভাবরা ? (নাওবী শাওনা চংখি)

বসন্ত— অান তারমাক্লে চংরেনেসে। (মরাম নোকই)

রাজেন— করমনো ইমুংসিবো চৌরুবা অমা লোম্বখিবগী ভায়বি অমুক রায়নরিসিংবো ?

(খোইম্বা চংভকই)

তোম্বা— এখোয় বাবুমচা লেংভকএ।

বসন্ত— মাম্নি এখোয় ইমুংগী Hero নি।

খোইম্বা — নখোয়গী হৌনবী তৌরকখবরা ?

রাজেন— নোংদৈ মুংশিং মরক্তা অনৌবা নোংদৈ হেৎরক্লে। নোংদৈ কীহ্রনা চেল্লুরে, অনৌবা মুংশিং থেংনরে। রাজেন্দি কলমগী মতেংনা নোংদৈ মুংশিংকী মবক্তা লেম্না ভম্রবসু অশেংবা নোংদৈবুদি কৌজে। (চেনখোকখি)

বসন্ত— হায় রাজেন, খংনরোই লাকখোনে। মসিদি— (খোইম্বদা) নংনা নোংভানবদগী খোকপ্রগা মুমিং তাবমদায়দা চল্লকইবসিনা কদায়' চংলুরিবা ? নত্তে নংবু কম্নি খবক তৌরিবগে ?

খোইম্বা - তৌখিসে কৈন্দ্র।

বসন্ত— য়েন হরানবগী খবক্লা নজগা ফুরিংখাও চম্বগী খবক্লা হায়রু।

তোম্বা— মাবুরো ? মাদি Cinema ticket কী কালা বাজার তৌরিবনি।

বসন্ত— তৌরমগনিং মাম্লিনে শক্তাসে। নংনা কালা বাজারদগী তাক্লকপা শেলহুদি করি তৌনৈ ? মু খক্লবরা ?

খোম্বৈ— থক্তেসে কৈকুম্ম।

তোম্বা— থক্তে শায়না মচিনসে থীবিনে। ঐনা থুন্দা চংবদা অনিরক অহুমক তুরবা খেংনবিবা। অদুগা থক্তে গারা।

খোম্বৈ— তামোদি থক্লুনে? ঊশংগী Programme চংলা চংলগা য়ু ঙাংরে ঙাংরগা হুক্কপদো।

তোম্বা— ঐনা থকপনা থকপনিদনা।

খোম্বৈ— এস্মু ঐনি।

তোম্বা— কবি? এস্মু ঐনিগাযা। অঙাংনা য থকপদি য়াদবনি খংঙবরা।

খোম্বৈ— অহম্না থকপস্মু যাদে।

তোম্বা— কয়া কনগ্রবা মচীমোনে থাজিল্লকোদো নং। (ফুগে তৌই)

তোম্বা—তামো ভুাযা য়াওবস্মু য়ু থকপনি। নখোয় লোযনা যু থকপদি য়াবগা ঐনা থকপদি করিগী য়ারোই। নখোয় লোয়না য়ু থকপা তোকপীয় অদু ওইরবদি ঐস্মু থকপী বোই।

বসন্ত— (নোকই) হা হা হা। অঙাং মানস্মু ঐখোয়বু রাবকপা শাবি। ন ঙসিদি— (খুতুম তাদুনা ফুগদবগী খোম্বৈ চেনশিল্লি, উদয চংঙক্লগা বসন্তদা ফায় খোম্বৈ বসন্ত তোম্বা মাগী মাগী কাদা চেনশিল্লবি)

উদয়— নখোয় যু থকপা মশেল্ল রাবক্লবা লোয়রব্রা? (Harmonium উবদা) হায কল্লাকার সিদগী Harmonium সি লৌথোকঅরাওনে।

(তোম্বা চংলকই Harmonium পুদুনা চংবি)

ফনহুম মুংঙাইবিনে, য়ু থকপা মশেল রাবক্লিবা হাযবদু ওইরখায়েনে। (কম্বী) কেতুকী, কেতুকী কৌবু কৌকরবদি

খুম্ কঙরোইদবনি। নমকৌ নমকৌ কৌরুবে টীকদবগী পাম্‌দোরক্লনি। করিনো ঐনা ভোগদবনি।

(থারিক খোরকই)

টবেম্বা, নমাহ্ থরা খোরকউ হায়রু।

থারিক—ঐখোয় ইম্নাদি নৈতেনা।

উদয়—ওখোকপগী মুপীনিদা। নোংমক্তা ঐনা হৱকপদা মুমদা নৈরমহনা হরাও হরাও সেগা মাইগা হায়নদবা মুপীনিমু ঐবু কদায়দা থেংনকরিবনো? (শাওরগ) হায় নমাহ্ কদায় কদায় চৎকনি হায়রম্মী?

থারিক—সনা বক্কান থম্বা চৎকনি হায়রম্মী।

উদয়—(ঙক্লা) করিগী সনা বক্কান থমগদৌরিবা?

থারিক- থংদে, হোটেলগী পৈশা শিংখিনবনি হায়বরা করিনো?

উদয়—হরে, হরে,' ঐগী ফজকম নৈরবকো। ঐনা লুপা ৫০ পীদবগী সনা বক্কান থমগদৌরিবনিনে। নমানা পৈশা শিংবা চংবদা হোটেলদা ঐবু হন্থনা ভাংঙমগদৌরিবনিনে।

(কেতুকী চংঙকঅগা ইমুংদা চংখি)

থারিক—পাবুং ইমা লাকএ।

উদয়—কেতুকী।

কেতুকী—(ইমুংদগী) কৌবীরকমু।

উদয়—হোইনে কৌরোইনে। অদুবু ঐনা হায়গদৌরিবা সিদথি ভারো লাওনে।

কেতুকী—খোরক্লগা) হো টবুংঙো ভাজনিংঙ্রে হাযবীরনো।

উদয়—(শাওনা) ভারমু ভোকও, ঐস্মু হায়র-রাই। (শাওনা) কনা কনা নৈ? শাকবা, লাইরিক নৈবী, ভ্রামা নৈবা, ইপৈ নৈবা নখোয় লোয়নমক খোরকউ লাও।

(ইবোচৌবা. অ ভীবা, ভোম্বা খোম্বা. নাওবী মথং মথং চেং্শাকরগই)।

ইবোচৌবা—করি তৌরে পাবুং ?

উদয়— অম্বুক কুইবসি ঐ মোংমন্তম্ খাওরক্তবনি। ওসিদি নমানা ঐবু শাওহল্লে। ওসিদি নমাগী ঐগী থাম্নবা তারে। ঐগা লৈগদবনা কনা কনানো, নমাগা লৈগদবগী কনা কনামো তোঙান তোঙান লেপপু।

বীজয়—(চিংতক্লগা) করি অমুক তৌনরে পাবুং ?

উদয়—নমাগা ঐগা থায়নবগদবনি তোঙানি তোঙান লেপপু।

থোইবি—পাবুং ঐদি পাবুংগম্ লৈরোই, ইমাগম্ লৈজনিংদে, ঐদি তামো থবক তৌবগা লৈজগে। (বীজয় অনাক্তা চংশিল্লি)

বীজয়—করি ? ঐগা লৈবদি য়াবোই। ঐদি মুপী অমা থীরগা য়াওং ইনগ্রগদবনি।

কেতুকী—(শাওনা) করি ?? ঐগী ইচা ওইরগা মীগী মখুংদা য়াওং ইন্দুনা লৈবা নমাইহু ইকাইদ্রা ? নংবু নমা নপা লৈজদ্রবরা ? নয়াম্বা অম্বুক অম্বুক য়ামা লৈরিবৈদা করিগী নংনা হায়া যুম পানগদোরিবনো ?

বীজয়—ঐদি তলব চাবনিদা মুপী থাকপা ওমনিদে।

অতোৌবা—তলবপু চারবদি মুপী থীরজি হায়বা কাংলাসিমক্ত্ন খৈরবাকপে পুরা মাংহনবনি।

কেতুকী—অহুবু নংনা য়াওং ইনগদৌরিহুবু নত্তে, নংবু নমামহুবু পাদ্রবরা ?

ইবোচৌবা—ইমা মাগীসি অর্থ অমা লৈদনা তৌরিনি। মাদি ঐথোকসা তিমবম্ কয়া য়ারোইয়ে।

কেতুকী—ইকাইববু ওথোক্না থাখিজ্রেনে।

থোইবি—ঐথোয় পাবুংগা থায়নবগদবা, ইহুনা ঐথোয় তামো তলব চাবদা পকশিনবীরি করিগীনো ? ঐদি হায়রিসিনি ঐথোয়

তাংবো [illegible] চাবগা হৈরদোনি। থাওং ইনখৎলু অহুম লৈকনি।

খোইরম—থাইদোইবন।ঐ কচামচ্চগা পুনবা ভজোই। নখোয় ময়ামা পক্কশিনবীরকদি থএবদগী থাওং ইনখিগে থাবনি।

খোইবে—অহু ওইরগা পাবুং লৈমিরনি। ঐখোয় ইমাত্রি পৈশা খোক্কে তত্নি। (উদয়গী মনাক্তা চংশিন্নি, উদয়না কোনশিল্লি)

অঙোবা—লাওনা মশা মশাগী ওইজবা থাহনা ঙোংখোক চোংশিন তৌবা য়ারোই ইমুং খুগায়বীগদু সরকার ক্যায়হনবীগদু। সরকার কাইরগা প্রজা ঐখোয় রাই। সরকার কায়রগা ইনাওনুপা খোযঙ্বা তলব চাবা ওফিসারশিংগী মতোম ওইখিনি। মরি মশেল শাওনহনা থংনরগা মীচম প্রজা ঐখোয়দা দম্বা তাহনবীগদু ইমুং খুগাযবা য়ারোই, ইনকলব

ময়াম—জীন্দাবাদ।

অঙোবা—ইনকলব

ময়াম—জীন্দাবাদ

(লাওগু লাওহু-। কোয়না চঙ্লি, উদয়না ইবোচৌবদু চ সিন্দুনা, লম্বী থীংহল... ময়ামদ কিহক্তা হক্তোকখি)

উদয়—ইপাগী শাকবা।

ইবোচৌবা—পাবুং।

উদয়—ঈরাং হৌবা প্রজা কায়রগা দু, ঈরাং নমথৌ [illegible] রাজনিতী ঈথিল যাওই। রাজনিতীগী কোকলোন ওইবা মীওইশিংদু কায়রগা জেলদা নমশিন্লু, মুক্তি লাওবা হয়াই পীজো।

ইবোচৌবা—পাবুং নচাদু অচুম্বা পামথৈ।

উদয়—(হরাওনা) অহুনি।

ইবোচৌবা—পাবুংনা নচাদা শিন্নবীরিবা কম অসি শুসিদনা থা-দোকখ্রবে। মচান্দু অন্দোলনকি নি অদা ওইহনা অন্দোলন তৌবা য়াওখ্রবে।

উদয়—(শাওনা) য়াওরো, মোয়না য়াওরো, অন্দোলন তৌরো। নখোয়না কদাই ফাওবা চৎশিনবা ওবগে হায়বদো য়েংগে।

কেতুকী—(শাওনা) কবিগীনো মাইপাবুংনা অত্থাংশিং শাওহন-বীরিসিবো? মসি ইচাশিংগী মরাল নত্তে, মোইপাবুংগী মরালনি।

উদয়—কবিগী ওইকনি?

কেতুকী—কবিগী ওইদনি। মোইপাবুংনা ঐবু থায়নবীদোরিসি কবিগীনো? মহূদগী ইচাশিংনা বাবোরকপা নত্রা?

উদয়—নং ভাংগদ্রুকো, নং ঐ লোয়নববনি খঙবরা?

কেতুকী—কবিগী লোয়নকনি। ঐনা মোইপাবুদা কবি থানখি?

উদয়—লাক্লি।

কেতুকী—কবিদা লাক্লি?

উদয়—লাক্লি। ঐ হায়গে তাউ, নং ঐ সরকার পায়মিন্নবগা নংদি ঐনা হায়বা কবিগী তাদে। অহূগীন্দু মথক্তা সরকারগী অরোনবা বাবু কবিগী নংনা হোটেলগী পাওমীশিংদা শন্নোক্লী? আইনগী বাংমদা থবক তৌবা মন্ত্রিদি খুদক্তা থাদোকদবনি। You must resign.

ইবোচৌবা—ইনাওশা সরকার মওং অমা তৌরে।

অচৌব—ইনকলব,

মরাম—জীন্দাবাদ,

অচৌবা—ইনকলব,

মরাম—জীন্দাবাদ

অচৌবা—ঐথোয়গী দাবী,

ময়াম:—পীগদবনি,

অঙৌবা :—ঐখোয়গী দাবী,

ময়াম :—পীগদবনি,

অঙৌবা :—ঐখোয়গী দাবী

কেতুকী :—(শাওনা, কৈনোহে) দাবী পীয়ু দাবী পীয়ু—নখোয়না পাম্বীবা দাবীছ করি দাবীনো হায়য়ুদনা ?

উদয :—কেতুকী, নং হুসি মতোয়নরা ?

কেতুকী :—ঐনা কৈদৌরগে ?

উদয :—কবিগীনো নংনা নচাশিংদা ইনশিল্লিবদো ?

কেতুকী :—হয়ে, সিবু ঐনা ইনশিনবয়ো ? মাখোয়গী দাবীছ করিনো হায়বু হায়বনিনা।

অঙৌবা :—(মিটিংদা রা ঙাংবগুম) প্রজা মীয়ামগী য়েংবীদবা, মশা মশাগী তা থবা সরকার পায়বিবা, ইমুংগী ভার পুরিবা মীওইশিংনা মশা মশাগীতা থন্দুনা মচা মনাই ওইরিবা ঐখোয়গা করিস্থু য়েংবাদবা, ঐখোয় পেন্দে, ঐখোয় যানিংদে।

তোম্বা :—অদুদি ঐখোয় অন্দোলন লেপ্পা যাদে।

ময়াম :—য়াদে, য়াদে।

অঙৌবা :—ইনকলব,

ময়াম :—জীন্দাবাদ,

অঙৌবা :—ইমুং থুগায়বা

ময়াম :—যারোই।

অঙৌবা :—ইমাগা পাবুংগা খায়নবা,

ইবোচৌবা :—(লাওনা) ঙায়রো। ইনাওশা মুনমদি থরিবি। ইমুংসিদা লৈরিবসি ঐখোয় তয়ানি। ইমানা পাবুংগী রা ইন্দে মনিং তৌই হায়বগীদমক পাবুংনা ইমাবু খায়েনবা পাম্বী। ইমানা পামদে। ইনাও থবক তৌবস্থু মুপী অমা থীরগা য়াওং ইনখিনি হায়রি। পাবুংনা পাম্ব।

পাবুংগী মতুং ইনশনদা কা যু, ইমাগী মতু' ইনশনবা কাংবু কাংবু কাংবু খায়দোকুবনি।

মঙোবা :— ঐখোয়গী ইনা হোটেলদা বাংঙা থোয়না চংলি, মাঁরা ভাংনৈ। মতুংগীদমক ঐখোয় পাবুংনা শাওই। শাওফমক্তু খোকই, ঐ ওইরবস্তু শাংদি।

ইবোচৌবা :— অদুদা য়ায়া লু ববদি

উদয় :— হে করিগী লুবনো? তোঙান তোঙান লেপ্পু। ভসি নখাগা ঐগা লোইনববনি।

কেতুকী :—(কোখনা) মোইপাবু, হৌজিকসে Democracy গী যুগনে কাউবীরবরো? ভাংনিংবা রা নীংতম্মা ভাংবা য়াবা মতম। হোটেলদা ঐনা বা ভাংবস্তু ভারতকী সংবিধানা পীবা ঐগী অধিকারনি। মোইপাবুংগী অশোয়বা খরা পুথোক্কুনা মীয়ামদা খংহনবদি থোয়না কায়দমাল্লেনে।

উদয় :—ইবেম্মা, আইন খংবা, হুনাংনা মদা হুরাল্লা হাযবা ভঙী নখাংহন্ম তেক্কনি। ঐনা Law Court তা defamation charge তৌরবদি fine হুম তৌগনি।

কেতুকী :— অদু আদা খংদে ঐ যুমসি খাদোক্কুনা চংপা মুকতম ভম্মোই।

উদয় :—মহুদনি ঐনা নংবু নপাম য়োনবা কুহুনা তানগদৌরিবসি।

কেতুকী :—কুবস্তু য়াবোই।

উদয় :—এ! মুপীসি লীংল্লেদা। (লীচৈ হায়গংলি)

ইবোচৌবা :—(লীচৈহ্ কারগা) পাবুং রা অমত্তা হায়ক্ষিল্লগে।

উদয় :—হায়গস্তু, তোঙান তোঙান লেপ্পু।

খারিক :—(কেনা) ঐদি পাবুংস্তু মুংশি, ইমাস্তু মুংশি কদায়দা লেপতোয়নো?

খোচৈ :- নাদি আ মুপা মহুমদা—

মখাক—কৈয়া!

খারিক—মহুদিদে নংস্তু আ নতু মহুমদা

য়াম —কৈয়া!

বসন্ত—(কিংনা) হো' লৈকাই লৈকাই যাক্কী লুবা হাকম থমা লৈরে।

মধাম—(খংনিংনা) কদি কব্রিনো ?

বসন্ত—ঐখোয় থারিকী লৈপকম লৈত্রি হায়রিয়ে।

উদয়—মনিদে।

কেতুকী—এ অহুনী ওইবনদি যাম্না ফববা লুপা থমা লৈরে।

উদয়—(হয়াওনা কেতুকীবু চৌকিদা চাংশিন্দুনা কয়হল্লগা)
কনানো কদাযদেনো, মমিংনা মমিংনা কব্রি ক্রৌই ? লাইরিক
লাইরুনা কদায় ফাওরা তম্লবা, শাগে জাংনা কমদোবা ?

কেতুকী—মহুংদি অমত্তা থংদেদা। নহাক নোংমা ইনম্না জাক্কোনা
হোটেলদা চায়রম্বনি।

উদয় (শাওনা কুক হৌগংলগা) হোটেল, হোটেল, হোটেল,
হোটেলদা নংগী লুপা লৈরবরা ?

মধাম অস !! (মমাল লৈ'থাকনৈ)

কেতুকী—হৈমা ! ত্তাওরমাংল্লনে অত্তাং মমাংদা ! হো অত্তাওবা,
অত্তাওবা।

উদয়—কবি ত্তাওক্লনি, নংনি ত্তাওরিদি। Bill ফংজে হোটেল.
সনা বঙ্কান থম্মু হোটেল, নচানুপী থাজব্রম্ম হোটেল, নংথুম
হোটেলদা লৈরুরোদনা হোটেল ওংবী কেতুকী হায়নন্নবা।

বীজয়—ইমাগা পাবুংগগী রাকমসি অমুক্তা চায়বীখো; লৌমিক
ফোং ফোং শাবিবা. চায়বদি—

উদয়—(শাওনা) চৎলা, মংস্থ লুপী অমা থীরগা মাওং ইনাঙ্গা,
মুমসিদা কনামত্তা লৈবীরুনু।

থারিক—অহুমু নৈনীনি চৎকম লৈত্রিনে পাংবু।

উদয়—(শাওনা) কনাদনোমা হেক চেনজো।

(থারিক শাওনা চংখি)

মকম মরাং, অমত্তা থংদে, মখোয় কদায় কদায়দনো চৎনাগা।
ইপা ত্তায়হাক্তা পোথাগে।

অঙোবা—কমাক্ [illegible] পাবুং, Lunch কী ভাবনা [illegible]

উদয়—কমায়দগী Lunch নোনে ? তায়বাক্তা পোথাক্নে হায়রগী।

অঙোবা—Bill pass তৌদনা Assembly য়েংথোকপা য়াবরনে ? পাবুংনা ইমুংগী Administration কৈরগা মরকায় শাথ-গে হোংনবীরে, অদু নৈমবা অমত্তা মেন তাইনরে। মদু য়া য়াই পাবুং, নচা মরামগী মত লৌবিয়ু। হৌজিক Democracy নি। Majority carries the vote.

উদয়—(শাওনা) You get out

অঙোবা—Why shoud I ? মরম পীবিয়ু পাবুং।

উদয়—ঐনা হায়রিবসিনি, You get out

অঙোবা—Speakerগী ruling পাম্মি, মরম চাদনা ঐবু House তগী তাংথোকপা য়াদোই। I want justice.

উদয়—Justice মরা লৌদে। ঐনা হায়রিবসিনি, ঐ নংগী নপানি।
I am your father. you must obey my orders

অঙোবা—Dictatorship কী রাজ্য ইমুংসিদা লিংথংপা য়া রাই, we are against a dictator.

উদয়—নং ইচানি, ঐনা পোকপনিনে।

অঙোবা—ঐখোয়মু নচানি, পাবুংনা পোকপীবনি। We have every right to complain

উদয়—অঙোবা নং মতৌ য়নরা ? মীনা তায়হাক্তা পোংথাগ হায়রদনা।

অঙোবা—তায়রীক হায়রবদু কয়াম শাংবা মতমনো ? হোনেন্না, হংগেংলা, হংকিংলা পাবুংমু ঐখোয়দা থংহনবীবা যাইদনা।

উদয়—অকক্নবা মতম য়েংতে, তায়রীক্তা পোংথাগে ?

অঙোবা—মদু য়ারোই পাবুং।

উদয়—করি হায়রবা ? য়াদবরা যেংসি।

(লৌচৈ পায়দুনা কোয়তান তাম্লকই, ময়াম চেন-শিনবি য়াবনা চোকথরবা উদয় কমডুককপনা চাঙ্কি মপা চাররমদুনা লোংনা হায়থবি)।

(মৈ মুংলি)

———

অনিশুবা তাক্কক্

অহ'নবা শুংগা

মফম :— হাম্নগী অঙুমক্।

মতম :— সুর্খিল।

(থাম্বিক টেবল অম্নাংবা মথক্তা মখোং ম্না'মদুনা লোকই, লোকমী তৌদুনা ফম্মী। ঈশৈ শংই, শকই।)

ঈশৈ— হো চাম্নবা, হো মুংশিবা,

নংবু লাকও কৈদোংগ।

নংতবু তায়রবদা, নংতবু হ রবদা

অত্তাওবী ওইগে ঐদি॥

মুংশিগী চৈনানি, থাংবদা রাম্নবা,

ইংকেনবী ঐবু

নংতনা পুক্কিনি, নংতনা থরাইনি

লমচিংলৌরুনে ঐবু॥

পুক্কিগী অয়ুক্কি, যৌবন বসন্তনি,

মুংশি কায়দোক্লীরো।

নংতবু ঈখোলাং, নুংতগী রাখলদা

কত্তাওনারনে ঐদি॥

(ঈশৈ লোযরিবৈদা রাজেন চংলকপা চৌকিদা ফুমিনা ফমদুনা লৈ। থাম্বিক্না মমায় লৈথোরকপদা রাজেনবু উই, ইকাইদুনা মমায় লৈথোরকই)

থাম্বিক—(কিংনা) তা রাজেন

রাজেন—করিনো?

থাম্বিক—(হাড়গে তৌরম্দগী ইকাইনা। কৈদ্ব রাজেনা।

রাজেন—করক ফুরক হেক তৌরমনা। (চংশিগে তৌই)

থারিক- ভ'মখোও মা অমত্তা লাকহৌগে।

রাজেন—মথু করিম্ম নত্তে হায়বদায়নে।

থারিক—অদো হায়রগেবা।

রাজেন—পম্মপ পম্মপ হায়রু।

থারিক—ঐসে ঐখোয় পাবুংখোয় তামোখোয়না থাজবনি হায়রেবা।

রাজেন—আ অহু কৈদৌরবা ?

থারিক—অহুগনে বরদি হৌজিক কাওবা লৈত্রিবা।

রাজেন—বর লৈত্রগা ঐনা কৈদৌদোরিবা ?

থারিক—মথা হায়রকথিগেবা।

রাজেন—হোইনে হোইনে হায়রকউনে।

থারিক—ঐখোয় পাবুংখোয় ইমাগোয়না পাম্বা ববহমক ঐনম্ম
পামগনি হায়বা থাজদে হায়বা। অহুনা ঐনা পামজবা
নব অমদা চেনহৌরসিন্না হায়না থজিবা।

রাজেন—নংগী ৫/৬ লৈরিহৃদগী অমা থরগা চেনহৌদনা। নংনা
মহু ঐত্তোন্দা হায়রগা করি কাইম, ঐব, চাকহনবা নত্তনা।

থারিক—তা রাজেন নং মুপা মান্দেবো।

রাজেন—করিনোনে কায়রিসিবো ? মুপা কায়হৃব, করম হায়না
ত্তৌবা জাংনোনে ?

থারিক—মুপা হায়হৃদি মুপী ঐখোয়না হায়রিমটৈ য়াগদবনি।

রাজেন—নংনা ঐত্তোন্দা করি হায়খিবদা ঐনা করি য়াখিদবা
য়াওবদগী মুপা মানজিবা ?

থারিক—তাব তায়ন্দবা।

রাজেন—করিনোনে হায়রিসিবো ? থারিক নংগীসিব, পাঙ্খোং
চম্মিবা হায়বহৃরো ? ঐ তাব তাদে, শেংলা শেংনা হায়রু।

থারিক—অহুব,রো, ঐনা রাম্মা পামজবা মুপা অমা লৈ হায়বা।

রাজেন—কনানো ?

থারিক—অহুব,দি হায়গেবা অদো—

রাজেন—ইবেম্মা কোংথরী, হায়রকু তানিংলে।
থারিক—ঐহাক্ লায়রাকপগী তৌবিমখনা।
রাজেন—হায়নদবহ্ কোক হায়রু, কোংথরু।
থারিক—মুপাহ্ তা রাজেনা য়ানবা ঙাংনবীসেনা ?
রাজেন—ঙাংনগে।
থারিক—শোয়দ্রেকো ?
রাজেন—ইহে, অমুক কোংথরকএ। ঐনা ঙাংনগে হায়রবদি ঙাংনরবনি।
থারিক—নংনি।
রাজেন—(ঙক্লা) করি ?
থারিক—য়ানবা ঙাংনবিনি হায়খিবনি, ঐদি য়াংলোইদবনি।
রাজেন—ঐবুদি য়ায়গে হায়রবু, চীংচাবা মানবা নবুং য়য়ামচনা হয়েং ফনক তারকনি, কীজেনে।
থারিক—য়ানেমী।
রাজেন—করমহায়না যাদোয়নো ?
থারিক—ঐ ইশানা য়ারি লোয়রে। নত্তে ঐহু য়ায়া থাজদবগী বাবা ? অহ্ ওইরগা চৌজিক চংলসি লাকওনে।
রাজেন—ঙাযখো, ঐ বা অমত্তা হংহৌখিগে।
থারিক—করিনো ?
রাজে—হয়েং নোই ইমানা নপানা য়াবরা য়াদবরা হায়না হংবদা নং য়াই হায়না খুমগত্রা, য়াদে হায়না খুমগত্রা ?
থারিক—চেনবসিবু অহুম এরাকনা হংনবরো ?
রাজেন—(মক্তোমন্তা) করমনোনে তৌবিসিকো ? ঐহু, ইচোপ চোঙনা তোকখরনি। (থারিকা) নং ঐথুজি পুংখি মুংশিবরা ?
থারিক—খংদেবো।
রাজেন—ওহ্! তোকখসি, ইবানি চেঙকোখিনি।

থারিক—করিগী ?

রাজেন—নংনা ঐবু হু দি মুংশিদনা করম হ'য়না চে- জৌরিনো ?

থারিক—মুংশিত্রবদি চেনরা য়াদবরনে ?

রাজেন—মুংশিত্রবদি, চেনবা হায়বা য়াদে, চীংবা কৌই। চীং-বদি ১০০গী মথুংদা ৮০দি জেলদা হরাই চারগী য়াকৈ। তোকঅসি, ঐ চংলগে। (চংকে তৌই)

থারিক—করিগীনো ? ঙায়খো-ও।

রাজেন—ঐবু থাম্মু চংলগে।

থারিক—অদুদি নং ঐবুদি মুংশিবরা ?

রাজেন—মুংশিনে। নহালমথৈ মবম লৈতনা নখোয়গা লাকইদ্রু মুংবু মুংশিত্রকদি কৈদোবৈ লাকউনি। নহালমথৈ নঙোন্দা 'মুংশি' হায়বা ঙমদদনা ওট্রে পাট্রে তৌদুনা লৈরকপগী য়ানিনে।

থারিক—অদু ওইরবদি ঐস্মু নংবু মুংশি।

রাজেন—নচীন থীম্মু, নং হৌজিক থংদে হাযখিবা নত্রা ?

থারিক—অদুদি নত্তো য়েংগে হায়শিল্লবনে।

রাজেন—হায়শিল্লখিবা ?

থারিক—উম।

রাজেন—অদুদি ঐনা শিদোকপ্রবদি নং কৈদোহৌনি ?

থারিক—নতুং ইকায়নি।

রাজেন—নচীন্দু থীম্মু হায়গী। ঐনা শিরবদি নংস্মু অতোপ্পা মুপা অমদা নমুখ শানশিনি হায়রু।

থারিক—অদু অদা থংদে, ঐ ফি য়োল লৌথোকউরনি। নং ঙায়রম্মুকো।

রাজেন—কবিনোনে হাযরিসিবো থারিক ?

থারিক—চেল্লমদায়দা কীরকপগী য়ারো ?

রাজেন—মচুগী য়া লৌজেনা।

থারিক—মহু মাঙবদি করিনো ? চৎলবগদুকো চৎলগদি থাবোই-মবনি। ভায়বমথোকো। (চৎখি)

(রাজেন মাম্না খোরাংনা ভাম্বকী মড়ংদা হঙ্ক হন্দা চৎলি।)

তোম্বা—(চৎকুগা) হায় রাজেন, নং লাকখম্বীবরা ? কম্মুনে, কম্মুনে. ঐ পোংচেংশি অমুক্তা থম্মুখিগে (ইমুংদা চংখি)

(রাজেন তৌকম থংদে, থারিক ময়োম অমা থায়দুনা থোরকই)

রাজেন—ইবাম্বি লেংবাইসি তোকঅসি

থারিক—করিগী ? মাম্না পাংদবগী বারো ?

রাজেন—অহুগী রা নত্তে, নখোয়গী তামোতোম্বী হৌকরবা—

থারিক—লাকনিংঙ লাকসমু চৎতুম চৎলি।

(থারিকা রাজেনগী মথুং থায়দুনা চৌংই)

তোম্বা—(থোরকুগা) আই ! নখোয় কদায় চত্তোরিবনো ?

(রাজেন মকোক পায়দুনা হায়দোরকই, চৌকিদা মকোক লুকথদুনা ফমখি)

থারিক—ওম্বোক্লা য়েংশ্রপোংনি।

তোম্বা—হায় নংবুনিনে. কদায়দনো নংনা চত্তোরিহুবো ? পোং-য়োমদুনা করিনো ?

থারিক—তাঙাসিদা হন্নিমক্তু বদি যাদবদোনা. তাঙা অমুক ফংদো মান্দ্রবনিনে।

তোম্বা—অঙাওবীদোনা মুকম মুকম হেক শোল্লদনা, চ খ্রো চৎলু ইমুংদা।

থারিক—মী ফত্তবসিদি। (চৎখি)

তোম্বা—মসিগী অঙাং অসিদি। (রাজেন্দা) হায় কৈদোমে নকোক চীকখবরা ?

রাজেন—তামো ঐ কোক যাম্না ঙাওরে।

তোম্বা—করিগীনো ঙাইমখেদি ঙাওব্রগা হৌজিক্তা ঙাওরকইদি, থাঙ্খ্রু মরাইনা ফজখিনি। ঊশৈহুম শকশি ঐ 'Harmo-nium. মৌখোকউখিগে। (চংখি Harmonium পুদুনা

[illegible] কোক [illegible] [illegible]

রাজেন—[illegible] কঙ্কে তাবো।

তোম্বা—[illegible] অহুনি (ঈশৈ [illegible])

(ঈশৈ লেপ্লগা) ঐ অঙোম্বা বাম্বা লুবা [illegible] হায়গদবা

নৈ।

(ঈশৈ ওই)

রাজেন— করি ওইব্রবনো তাকপীয়ু।

তোম্বা—(ঈশৈ ওবা লেপ্লগা) মতম চাম্রি কোয়া হায়গে।

(ঈশৈ ওই)।

রাজেন—খঙ্জিদি খংবীয়ু তাম্বো।

তোম্বা—গীরি গীরি তকশিল্লকুখিনু ভাযখো

অঙৌবা—(চংঙ্করগা) তকশিনগদবনি। গিরি গিরি তকশিনগদবনি।

তকশিল্লবদি হৌজিক্কী সবকারদি মনা তাশিন্নদনা তুমিন্না নৈশোকপনি। শারিত্তৈদা নৈহৌ, ঈ থগ্রবদি নৈবা চংলোয়।

তোম্বা—করিদা ভাংবীবিবহুবো ?

অঙৌবা—রাজেন্দা মশৌ শংইবনি।

তোম্বা—করিগী ?

অঙৌবা—ক্রনানা খংনি। নংনা গীরি গীরি তকশিল্লকনু হায, ঐনা তকশিল্লু হাযনা ইনশিনবনি। করি হাযগে রাজেন ?

রাজেন—অশেংবনি তামো।

অঙৌবা—মমাংত্তৈদদি মীশিং য়াম্মদে, মীশিংগা পোখোক্লা থেংন-বদা পোখোক্লা, থেনবন্নিনা মীপুম খুত্তিংমক পুক্তেল চাঙ-নরম্মী। দান তৌনরম্মী। হৌজিক্কী দানদি [illegible] নৈরগে হায়রকাওবা ফংহে। য়াম্না থেক নৈনিংবা মপুন [illegible] [illegible] গীরি গীরি তক্লবনি, মহুদা মপুনা [illegible] ওংঙ তকশিল্ল।

তোম্বা—মাথাদি চোয়রকোরে।

অঙৌবা—ঐনাখী, মরক্তা শগোল চুরী য়াদবগী মঙ্গোলদা মনিং চংবা লেক্লে। মপুনি হাকচংনা মখাই চুবা ওয়ুবনি, মপুনি হাপ্পিবা ওজা ঐখোয় কৈদৌরি? শগোল চুরা পান্নদুনা চুরী শাগনবা হোৎনৌ। নত্রবদি শগোল অথঙ্গী ওয়ুহৌইদবা? কদোমদা চেনখিনি নখোয় ঐখোয়না থংবা ওয়বা? শগোল নাক্লোকখিনবা, শগোলদা লংথবা ওয়দনবা শগোল মচৌবা কয়া কোন্নি; নাক্লোকপনা ভারজনবা থমাদুনা। খুমাং অনিদা নখোয়না খুরো থাউ। মমৈদা শগোল লেপ্লকপা য়াই।

তোম্বা—তা মাগীস্থ Electionদা মিংটিংগী Rehearsal তৌবিরিবরা? নত্রগা রাজনিতি Practice তৌবিরিবরা?

অঙৌবা—রাজনিতীগী য়া নত্তে অঙাং, রাজনিতী তৌদবস্থ য়াদে। করিবুনো শংনা রাজনিতী নাত্তে হায়রদৌরিবসিনা? নঙক শম্না মীহাংশঙগী শদল মথক্তা লৈরিবা, মীহাংথারেনা নঙকশমদা হাযথরক্লোবা মতম্ থু কাডবা নহাক তুমিন্না লৈথোকপা ওয়গদ্রা?

তোম্বা—কররম্না তৌরিদিবো? অশি অনাদি য়াওনব্রিকো?

অঙৌবা—নরাল লৈত্রনা নঙকশমদা ফাসিগী খোরি হকচিনবীরদস্থ নহাক তুমিন্না লৈথোকত্রা? নচিনখান লৌনা হৎক খন্দুনা থকৎচক্রবা চাক চাখামহু নখুত্তগী হৈরথবীরবদা নহাক তুমিন্না অচুম্বক লৈথোকত্রা? থবকশুবলিগী মখুত্তগী পুংলাক্রে মু-বীরবদা মখোম লোক্ত্রা? হৈ ঈশৈ, শকপা, নহাক্কী নমাংদগী Harmoniumগী মনাওয়না খুনবীরবদা নহাক হদাওয়রা? (খুনগে ভোই)

তোম্বা—(Harmonium কোনশিনগা) তামোয়, রাজনিতীগী য়াদু অমুক্তা লেপ্লোখো।

অঙৌবা—রাজনিতী, রাজনিতী, রাজনিতী, রাজনিতী হাংগা নংলো নখোয় নকিনগী পামদে শাগত্রি? অঙাং [illegible]

থীনি, শা মতী মত্তেমনা। অহনু ঐথে মুখী মুংগী পুথি থগায় কঞো? মু দা য়োবকদবা নহারোলশিংগী পুথিমা কদোম দনো? নুং ময়াংলা, হাওরা, পাঙলা, মৈতৈরা? কনানা কদায়দনো? নংগী নমুম লৈকম মুনথীরবদা নংনা কদায়দা লৈগদৌরিবনো? নংগী লৈকন কদায়দনো?

তোম্বা—হো লৈকাই লৈকাই ঐখোয় তামো ঙাওরে।

অঙৌবা—মত, ঙাওরিবদি ঐ নত্তে নংনি। নংনা ঙাওবগা ঙাওরে হায়দুনা লাওরি। লাওরিবা নং অঙাওবনি, অপংবনি পাংদবনি।

তোম্বা—মসিদি তশেংনা ঙাওদ্রেদনা।

অঙৌবা—রাজেন, ঐনা হায়খিবসি চুমদ্রে?

রাজেন—চুমদ্রে তামো, Philosophy যাম্না রাংবা রাঙাংনি। ভাব তাদবশিংনদি লৌশিনবদা রানা থোক্নি।

অঙৌবা—নংদি লাইব্রিক লৈবনিনা ভাব থাংনে ঐ হরাওই।

তোম্বা - Brain বেরা লৈবা মরকসিদা ঈশৈ তৌবা যাপোং নত্তে। (Harmonium পুরনা চংখি)

অঙৌবা—রাজেন, ইয়াম্বা রা অমা হায়গে, অমদৌবনি ঐখোয়গী Party গী খবর অমা পুথোকসি হায়না লেপ্লে, নং Article অমমম চাং নায়না contribute তৌ। কবি হায়বগে?

রাজেন—নিতিগী খোংবা চেকোং ওইবীগদৌবিবরা নত্রগা—

অঙৌবা—খাখায়গী চেকোংনি, লমাই ৭/৮ পানগনি। পাউগী লমাই, রাজনিতীগী শরুক, শাস্ত্রগী পাউদম, সাহিত্যগী শরুক তোঙান তোঙানা শিনগনি মীনা লৈনিংবা, পানিংবা।

রাজেন—Wanted কী column স্থু হাপ্পী, Advertisement তা য়েংবা বাংবু অমস্থু লৈরি, শেলস্থু কংগনি, Paper স্থু চংকনি। অদুগা তামো, মনিপুরদদি ইনৌ

নৌব সৈইনদি খোঙ্গদবা Matrimonial column
হাববদি নুংগি খোংদোংবগী column মচা অমত্তং হাপ-
প ব্বদি—

অঙোবা—Yes, Yes, very good idea ইহান হাংবা ওইনা
ঐখোয়গী তাংমোচৌগী হাপকনি, ইতৈমা খঁগমি।

বাজেন—মাংঙে মাংঙে, মতুম্য Paper চৎপদি লায়রবনা Press
কী মেছিন ফাওবা পুমতোয় তোযবগী বা লৈ।

অঙোবা—গন্তরগী মুপতা মশা ফবগা কৈদৌদোরিনো ? মানা
মশা কনা কহুনম্ম চহি ২১ শুরবা T B. না নাববা খীওই
অমগা অধিকাব চপ মাম্নবনি। মাধা য়াওদবা, চাকয়াম
চাবা পুকচাওবা মানা কৈদৌনি হাযবগে ?

ইবোচৌবা—(চংওক্লগা) কনাদনো নংনা হৌজিক হায়খিবদো ?
নরিল লৈবগা ইমাংদা অমুক্তগা কায়খো।

অঙোবা—তাংমোচৌ, মহুনা নমকু কৌই, Dictatorship কী মওং
লৈবাক মীযাম্না যানখিত্রবা লাপ্না হল্লোক্লগ্রবা, পুম্নবা।

ইবোচৌবা—নযাগ্র পুমধু খুদেকঅবদি চগং চগং ওাংজিন্ন
লেপকনিদো।

অঙোবা—মহুনা আইন লৈতবা, Might is right. অকনবনা
অচুম্বা শক সক হায়হুবনি। মহুম্ম হৌজিকী চংনত্রে।

ইবোচৌবা—হে, রাজনিতী থবা য়াওগা নচিন নবৈ খরা থংলগা
মী উশিন্তবা তৌগনু। মীশক য়েং য়েংলু-1 বা জাংও
থংওবরা ?

অঙোবা—তাংমোচৌনা হকগাং থয়া ফবগা মী খুদিংমকপু কাংলগা
তাংমোচৌনা পাম্বা মাম্নকৈদা পুহনা চংকনি হায়বগী লীচং-
ভুদি থাদোকপীগু মীবু লাকথু লাকথুনা শিজিন্নবহুনা তাংমো-
চৌদা খোইহোক্লা কায়বা ফংলোয় তাব তাবীগু। তাংমোচৌগী
মাংদদি কিবোই ভুকংচবোই তাংমোচৌগী মাংদদি ইনখিবা

মরই ৮ তুংদা মীনা মীগী হাননহৌবরদি না তাঙিনমিনা ফাবিরিরোইনে।

ইবোচৌবা—অইখোনা মাংবদি ওংনেসন্দ্র, নংমক্তা থাংবদি থারোই।

অঙোবা—চুনা অহিংবা খরা চারগা মু খরা থাক্লুং পা, ইমুংগী মীদা অকাওবা শাবকুদি Crack কৌ হানি।

ইবোচৌবা—চীংনা হায় হায়, খঙ্গোইদনা তু ফুম্না, রাজনিতী কুয়োমগী মকুনদা মীগী ফুম্বিংখাও চত্না, নোংঙানবদগী মুম্বিংতাবা ফাওবা মীরা ওংনবা, মহৌনা crack নত্তবগী রাবা? রা ওাংবদা পংহেন হেক্তিকন্ন, ন'কাম্ন পুমথু খুগায়দনা উজাত্র শাজনি।

অঙোবা—পাঙন য়াম্না কনবীবগী রাবা?

ইবোচৌবা—অঙাং নং কদায়দ্রোমা চংহৌরো, নং শোয়দনা শিবা তারে।

অঙৌবা—কৃরিমীনো তা'মো'চৌনা হবচং ওবা ফর। অম্নক যাম্না কনবীরিসিরো?

রাজেন যারবদি রাফমসি তেনশিনশিবা।

অঙৌবা—ভোং থাদনবদা তামো চৌনা থাদবা ভোঙ্গুনা চহি ৮০/৯০ তরবী হন্নবী যাংবী অমনা থাদবা ভোঙ্গুনা মঙুন চপ মাপ্তবনি। মশাকবা তামোচৌনা থাদবনি হায়েঙ্গুনা ভোং মশিং অনি লৌবা থক যারোই, ভাব তাবীম্ন।

ইবোচৌবা—থরা তৌরা ভোং, রাজনিতী—অঙাং নং পংহৌদি হৌম্নহে!

অঙৌবা—তামোচৌম্ন রাঙাং থুদিংগী অকনবা, মশাকবা, ফুবা চৈবা খুত্তমগী রা ওাকা ওাংবিরিসিম্ন কান্নিনো?

ইবোচৌবা—রাজনিতী তৌবা হায়বসিদকম্ন মখৌ চৈতবগী শবক্লি থঙ্গবরা? খৌ চৈতনা খৌ শিরা থারা ওাংমবা, অাব তাররা?

অন্তৌবা—Excercise. তৌবগিদি লৌ লৈতেংনবা [illegible]
ইংখাই তৌবগী মতম্তা তোংতুম তুরতুম খীরা থাবকশিং
নিংথৌনদা হকচাংগী কিরম থেংনুনা লৈবগিদি লৌ লৈরেন।

রাজেন—হারবদি রাকমানি তৌনিংমননিবা। [illegible] আমকনা মমৈনা
পোঃমার কমাদৌ মাজনু। (চৎখিরে তৌই)

ইবোচৌবা—রাজেন, কমাদৌনা?

রাজেন—চংলগ তাগোচৌ।

ইবোচৌবা—অায় খা রা অনা জাংমথিদি। (অচৌবদা) হায়
রাঁবেম জাংবা নং বদাম্মনোমা চৎলো চৎলো।

অচৌবা রাজেন, অপংবা মীগ রা জাংনবা মীতুনশী হেন্না পংবা
কৈজে হাযনবনি। (চ'খি)

ইবোচৌবা—(শাওনা) মসি—(তাম্নগে তৌই)

রাজেন—(খাম্নগা) তামো চৌ, অমুকা জায়বীয়ো।

ইবোচৌবা - মসিগী অজাংসি এনা কদাযনো হায়ভুনা রেংবীরম্না
মায়া হেজিলকদৌবি।

রাজে —শাওবা কুম্ব তা মাচৌ, তা মাচৌ:খাবুগুম্বা হকচাং কবা
মীওইশংদি রাখলম্ব কবম থোকই।

ইবোচৌবা—হোই ন, এম্ব মহু খুনিবনি, অহুদা হেক্কা য়ারক-
তবনিদা।

কেতুকী—(চংজকগা) মুপামতা ইবো চৌবা নংগী য়োক্তু মহু জাং
হাক্তা থাজংলুচো, ইমা বাজনগা রাবি অমত্তা শানগে।

ইবাচৌবা—ইমা, এম্ব বাজনগা রাবি শাগদবা লৈরি। হায়া
খরগা শাওনিংবনে ইমাদা পোয়না তাযনবকনি।

কেতুকী ইমাগী রাবিস অকবনি নংগীদু কোমাশানৌ।

ইবোচৌবা—হারোই ইমাগীদু কোমু।

কেতুকী—অদুদি শানরো শানরো, ইমা জায়রগে।

ইবোচৌবা—ইনাবা তাবা য়াবা রা ওক্তে। ইমাম্ব হোউদনা
চা বকশিনখো।

কেতুকী—[illegible], [illegible] কৌবা বা, [illegible] [illegible] [illegible] ?
ইবোচৌবা—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ?
কেতুকী—কয়ে কয়ে শানরো শাংবো ঙৌরনা [illegible] লোয়রবগা
 ইমাবু কৌগোরকউ। (চংখি)
ইবোচৌবা—রাজেন, ঐনা হাকচংবৌবিবা মাদে ঐখোয় ইমুংগী
 মী কনামত্তা থংহনবা যাদেকো।
রাজেন—থংহল্লবোই।
(উদয় চংগকই, ইবোচৌবদা মুন্না য়েংই)
উদয়—(রাজেন উবদা) এ, রাজেন, ইচা লাকখ্রীবরা ?
রাজেন—পাবুং।
উদয়—(কপ্পগা) কম্লুনে কম্লুনে, (রাজেন কপ্পী) কমদৌরি থবা
 মুংঙাইরিদনা ? ইভাওহ্রু উদবা কুইরে, কমদৌরি ?
রাজেন—কারবারনি হায়দুনা পংচত্তা চংলি, ভাব তাদে পাবুং।
উদয়—থংদেদা তৌরিসে। নখোয়দি নচিন ননাও যামদবনিনা
 খরা করিনি। ঐগীদি মহৌর ৭/৮ সিনা অমুক অমুক
 অন্দোলন তৌবকপসিদা ইপা কোক চাউই।
(ইবোচৌবা চংখি)
রাজেন—পাবুং হৌজিক্কী মতমসিদদি মী অমনা মীপুম খুদিংমকপু
 পেলহনবা হায়বসি ওইথোক্লবনি। মশা মশানা অমনা
 অমগী খুদোংথীবশিংদু খরা থবা থংনরগা থদ্দনবা দরকার
 ওইরবনি। ঐতগী চাক থনবা ভারবদি হিংমিন্নবদা অরাবা
 ওইরকনি।
উদয়—চুমী, ইচানা হায়বা, ইমুং অমনি হায়রগা মত তিন্নদবা
 ৷ ময়াম পোকপা, Democracyনি হায়রগা Ideology
 যাম্নদবা রাজনিতি দল মসিং য়াম্না লৈবা, মসিনা চাওথং
 খোংথাংদা অকায়বা ওইরবনি। অমনা কনিওবা অমদুং
 পাংথোক্লবা হোংনবদা কয়বদু কয়বদু [illegible] য়েংগা। অমদা

পুথংলকপদা মনা লৌগ্রনি খঙ্গুনা হেক্কা য়েথংপা, অমত্তং এশিমক্কনা চাওখংপা যান্নবানি।

কেতুকী—(থোবক্লগা) মোই পাবুং হনবীরকঅবোরে।

উদয়—(মুমা য়েংঙগা) ঐ হল্লকঅগা কৈদোবে ? হল্লকপা যাদ্রিববা ?

কেতুকী—কৈনোনে ? "মোইপাবুং হনবীরকঅবোরে" ায়বসিবু যাদ্রববা ?

উদয়—যাই, যাম্না যাই, ঐনা যাদে হায়বা নংতে। অদুবু নংনা হেক থোরকপদা ঐ লৈরম্গী মুংঙাইতবা ফাওরিবদো ঐ উবা।

কেতুকী—অদুবুদি রাজেনগা রারি অমত্তা শানগে তৌবনে, মোইপাবুং লৈবমতুনা কাযহল্লবা।

উদয়—করি র'রি শাগদৌশিবা ?

কেতুকী—লনাই রারিনি, মোইপাবুংনা তাবা যাবা নত্তেদা।

উদয়—ল্লমলানবা মীদা ইমুংগী হীগায়রা তৌরুনু, খ ঙববা ?

কেতুকী—অদো মোইপাবুং ইমুংদা চংঙগা ফি রোগ গাহ্ হোংদোকপীরুবো।

উদয়—আ কেতুকী, (নোকই) হা হা হা, কেতুকী অস্থুক কুইবা ইচা ৭/৮ শুরফাওনা লৈামন্নরকপাসদা নংগী ঙসিগী ব্যাবহার সিগুম্বসি অমুক্তা তারক্তি। মী থোয়না চহি য়ামশিল্লক-অবদি য়াদবোরে। (শকফম হজিন্না) নংনা বাজেনগা রারি শাহৌবা যাননবগীদমক ফজবা রাহৈনা ঐবু তাল্লিবনিনে। মুপী, চংলু, ইপা ইচা য়াবী শাবা লোয়ন্নি থংঙবরা ?

কেতুকী—ঐ মুপীনি, মোই পাবুংনা ঙম্মী সিনিনে ?

উদয়—কেতুকী, নং-ঐ বা ঙাংনগুমসি। Ideology মায়দবা রাজনিতী দল অনি পুনশিনবদা কুইথবা য়াদবগুম নং ঐ Ideology মায়দে কুইনা তিন্নবা নংয়োইনে।

কেতুকী—ঐনা লৈশাল্লিংন্ত, ইপান কল্লিন্তৈ, ঐঙোন্দা নে নে থংহনা লৌবিখিবা নত্রা? ঐগী নীংহা খুংহনগনি, ঐনা হায়ল্লিমখৈ য়াগনি হায়হনা রাশকপিখিবা নত্রা? অদুগা হৌজিক্কা নখুং চল্লবান হায়হনা কনবীল্লিবরা?

উদয়—মীগী মমাংদা ইনাম্রি থংননংস ইকাইখৈ, মীনা কল্লি কবি থনখিনি। ইবাম্রিদা ভায়রগা কোন্না ভানেম্রি কৈদৌ গ।

কেতুকী—কৈ কৈ থংনবা তারেদনা। কেতুকী ইগুন থংহনগে (চংথি)

উদয়—রাজেন নংস্থু উরেদনা, ইমুগী অঙকপা রাংথাক্কি, ইচা মযামগী মখোং মরম থংনবা রাকং, মুপীগী জ্ঞান মেন মান তাদবা রাঙাং, পুন্নমকসিনা ইপাবু সুংগাইকন থংহনং দ্রবনি।

রাজেন—পাবুং মীওইবাসি শক থেন্নবগী মতুংইম্না রাথলস্থু থেমৈ। অদুম ওইনমক য়াংবা অমগী মতুংইম্না থবক তৌফম খোকই। মতু নত্রবাদ কনামঙাংতিম্রবস্থু যাবোই। অদুনা পাবুং মখোয ম থায়গী অপান্থহ কল্লি করিনো হায়বহু হাম্না থংদোকপীনবা তোংনবায়ু।

উদয়—নংনদি মতু হাযরিবা, ম থাযগী রাকংশিংহু কল্লি হাযবিবনো ইপা ভাব তাদে। ঐনা কল্লি তৌরগা মখোয়না পেনগাদৌল্লিবনো হাযবস্থু ইপা থংদে। অদুনদি মমৈদা ইপা কল্লি তৌবা তায়?

রাজেন—পাবুংবু কল্লি তৌবীগে হাযনা থনবীরিবগে?

উদয়—মতুস্থু ইপা থ দবানিনে।

রাজেন—পাবুং রাথল পংথল থনবীরুমুদা জা মমস্থু মমশিঙ্গক্লে, পাবুং নচা অমুক য়োজরগ।

উদয়—য়োরো যোরো, ইতাওহু ঐনা নিংশিংলকই খুরা তস্থুং মাস্থু নোংমাফাদোক চংথোরকপা মথাম্লানি।

বাজেন—পাবুং তনজগে।

(থারিক মরুমদগী মখুৎনা ভায়রম্মু হায়ডুনা Signal পীরকই রাজেন মঙক নোম্নগা থোকখি)

উদয়—(মতোমতা) মীগী মচাদি কথাদা জ্ঞান তাঞ্রবনো. ঐগী ইচাশিংদি ওম্মোকপা লাইবক্তি। (চংখি)

(থারক মম্নোম অমা পায়ডুনা বোইম্নেং যেংলগা থোকখি

কেতুকী—(থোরক্রগা শাওনা) খংভায়দদো, ইচা ময়ামদা ইনশিন্দুনা ইমুং খুগাযগে। লৈবাক ইরাং হৌহনগে। চাক্তা অমত্তা থোংজোই, ফমডুনা লৈথোরক। (ফম্মী)

বসন্ত—(চংরক্রগা) পশেম. ভসিদি তরা চাকলাম্মী, খজিক্তং ভম্না থোংবিবু।

কেতুকী—চাক্তা রা ঐভোন্দা হায়বক্তনু, নচন মুপীদা হায়রু, ভসিদি ঐগী চাক হাপকনু হায়যু। .

বসন্ত—হী, করি ম্নারানো পশেম ? Hunger Strike তৌবা মতম চাদ্রিনা।

কেতুকী অভাং নং চগং চগং ভাংভকনুবা, থোয়দৌনা থোইদৌ লংখৎপনো, নভোন্দা শোয়না তাযনরক্তনা তোক্তনি। (চংখি)

বসন্ত—(মতোমতা) মসিবু ঐ খায খাইবু পোক। পশেম ইমাডুনা ? নত্তেদা, ওইরবস্রু হীংচাবী চভবরা করিনোম্না তৌরে। শেম ত্র হংচাবী চংভে। (লাওনা) মাইবা, মাইবা, লৈকাই লৈকাই ঐ খায় ইমা হীংচাবা চভ, মাইবা—

কেতুকী (থোরক্রগা) করিনো নংনা লাওরিদা ? কনাবুনো নংনা হাযরিদা ? হা নহৈ অভাং চৌম্বিবা।

উদয়—(থোরক্রগা) হায় বসন্ত, নমাস হন্দক মরকসি শজিংকম্না হৌম্নিবনি, রা পভাং ভাংনক্রনু।

কেতুকী—মোইপাবুংদি হৌরেনে ! ইঃ ম্নায়া জ্ঞান তাবা মীনিনা সিদি।

উদয়—উবেদনা ইপাগী ভ্রামা কৈবা। ভাংনা ভাংনবগা হেল্লক-
খিনি।

কেতুকী—মোইপাবুংগীসি চান্না হৌবীরিবরা ?

উদয়—বসন্ত, নং নমাদা কারি হায়রুই ? ভসিদি নংগসে মভু-
মনিনেহে।

বসন্ত—(কপ্পা) তন্না চাকল্লাম্মী তবা চাকভনবীন্নু হায়রুবগীনিনে
পাঙ্গৌ।

উদয়—চাক্সী ইপান্সু লাম্মীনে। (কেতুকীদা) অভাংসিনা চাক
লাম্মী হায়বরদি চাক্কু থরা ভন্নসু মখোংবীয়ু। নং অসিদি—

কেতুকী—রা ভাংবদনা তোভান চাবগী রা মভাংবা, চাক খোং-
ভমদায়দনা ঐভোন্দা মহাখবা, ভমজাঙ্গ্র, মরম্নাই গোং-
খোংদনা চানরো।

উদয—ইচান্নুপীদি ? বসন্ত নচনন্নুপীদু চাকথুম চংভু, হায়রু।

কেতুকী—ঐগী চাক্সি হাপবনুকো। ঐ ভসিদগী Huger
Strike হৌববনি।

(বসন্ত চংখি)

উদয়—করিগী Hunger Strike হৌগদৌরিবা ?

কেতুকী—ভাংবীরকনু।

উদয়—মসি অমুকন্সু তৌরগনে। কেতুকী, নং মতোম্নবা ? নং
ঐগী মচীংদু হৌবকভবা ?

কেতুকী—হবে ভকচবেদা, ঐগোন্দা রা ভাংবগান্সু হৌবীবকইয়ে।

(বসন্ত চেক্সোরকই)

বসন্ত—পাবুং ঐখোয় নুপীমচা লৈতে।

উদয়—করি বানোনে হায়বিসিবো ? মখাদরা, অরাংদরা, কদায়দা
লৈরবগে য়েংভুচানে নখোযবো মমা নংন্সু চৎলুনে।

(ইবোচৌবা অভৌবা চেক্সোরকই)

ইবোচৌবা চৎলু নচ- নুপী 'থীরু।

ইবোচৌবা– কদায়দা ?

উদয়—অহুবু খংঙবদি নঙোন্দা কৈদৌবৈ হায়রুনি, খংদবদগী থীরু হায়বনি। চৎলুনে।

ইবোচৌবা—লৈরমগনিদা, কৌজিকপু বদায়দা থীরুনেগ।

অঙোবা—তামোচৌগী রাঙাংসিদি ইচন নুপীহু চেনখিরমগদবা মানগ্রেদা।

ইবোচৌবা– মশা মউ ফবা তীক তীক লাওবা মীওইদবু চেল্লম-মবদি ফৈনে।

অঙৌবা—তামোচৌনা চেলহনখিবগাদি নত্তেকো ?

ইবোচৌবা– অঙাং নং রা ঙাংবদা কা খরাদি হেল্লেহৈ।

কেতুকা– (ইবোচৌবদা) ন'না সঙাই বাজেনগা রাগি অরুবা অনা শাহৌবহু কবিনো শেংনা হায়হু।

ইবোচৌবা– করিনোন ইমানা হায়বিরিহুবো ? রারি শাবা নং-দ্রৈঙদা পাবুং চংঙরুনা অহুম তোকএ। নত্তে, ইমানা হায়বিরিসিবু ঐনা ইংনমুপাহু যাম্বোকঅগা চাবমগনি সিরা ?

অঙৌবা—যোম্বোকঅগা চায় হায়বগী রা নত্তেদা, কনানা খংনি, ইশেন নুপা মশা মউ ফবা পান্দগী চেলহল্লহন্সু।

ইবোচৌবা—হে অঙাং চৌনগনবা, ঐনা মশা মউ ফবা পান্মী হায়হুনবু ঐনা ইচন নুপীবু মী অমদা হেক্তা চেলহলখিদ্রগনে ? রা ঙাংবদা লম হেল্লিব, নবৈহু খদত্তুনা তোকচনিহৈ।

বসন্ত—চৌরুবা রাকচৌংগী অখিংদা, উনগুম্না ইংলবা থাজগী মঙালদা মুংখিলচুহ্না মচৌরাক থীবদা চোকখববা চোংঙাশিংনা মমাঙগী রাপল মরক্তা চরাংনরিসিবু করিগী ওইরিগবা ?

উদয়—করিনোহৈ ? অঙাও অফৈ হেক মাল্লদনা।

বসন্ত– পাবুং ত্রামানি।

ইবোচৌবা—কদায়দগী ত্রামানো ? নমায়হু থুগায়হুনা তোকনি।

নাওবী—(থোবক্লগা) থাঙদগী কলম্ন' হেন্না থৌরবা মতমসিদা খুত্তুমগী রাকম পুশিল্লকপসিদি হৈনৌ অমুকবদা তীল চংব গুম্বনি।

ইবোচৌবা—নংস্থ অমুক হৌরক্লবরা ?

নাওবী—হৌবগী রা নাত্ত তাঘোচৌ, ভাব তানা জ্ঞান তানা, অচুম অরাল মশক খঙনা ঙাংনগদবনি। ঐখোয় মীনি, শাওনবগা চীক্লবা, খুজীন্না খোংনদা শা নত্তে ঐখোয়, মরোল লোনবা জীবনি, ভাব তানা থন্নবা ফৈ হায়বনি।

ইবোচৌবা—এ ! জ্ঞানগী মীনিনা সিমদি।

বসন্ত ঙাংনিংঙায় লৈত্রগা মীবু করেম কথাযনহুনা লক্লবা, চীকপা ঙমদ্রগা খোংবা, মশক থংহৌদ্রগা চৈবা, হা হা হা (নোকই)

ইবোচৌবা—মসি—)খুত্তুম্না থাগদবগী তাৈম্ন, মযাম্না খাম্মী)

অঙৌবা—গন্তন্ত্রদা পুলিসকী সাসন পুশিন্দুনা মীবু তান্না ভায়হুনা ফুবা, মীচম প্রজা ঐখোয় কয়াম কুইনা খাঙহুনা লৈবা ঙমগনি ?

ইবোচৌবা—নং অমস্থ অমুক হৌরক্লবরা ?

উদয়—করিনো ইচাশা নখোয়না তৌরিসিবো ? নচন মুপী অমা মফম মরাং থংদনা মাংখিবদগী থাবা থংনদ্রি, অদুগা নখোয়না সোমদা নফি শেন্নারিসিবু করিগীনো ?

কেতুকী—অহল অনি ইচাও চাওনা লৈরিবসিবু নখোযনা ব্যাবহার মচেং অমফাওবা থমদ্রিসিবু করিগীনো ? ঐখোয়সে নমা নপানে কাউরবরো ?

নাওবী—ই ! ঙসিদি ঐখোয় ইমাগা পাবুংগসি রান্না চামরম্মীদা, করি মুমিংনো ?

অঙৌবা—Ideology মায়দবা রাজনীতিগী দল অনি চায়হুনবু কয়া কুইনা চায়গদৌরিবনো ? তাংনি ভায়হাকী, অঁমুক চীক্লরক্কনি।

উদয় - ইমা অাঙৌবা নং মতোয়নরা ?

খোম্বৈ—(চংকখগা) পাবুং ঐখোয় খাক্কি চেনখ্রিসিবু ঐখোয় পাবুংনা চেনহনখ্রিবরো ?

উদয়—চরহৈত, ফরক তাবা, খোয়দৌনা খোযদৌ লংখংলকপনে নঙোন্দগুম ফুঁরকনা তোক্রনি।

খোম্বৈ—মীনা খংদদনা হংববু ফুরকপা য়াববনে ?

উদয়—খ দদনা হংববু কোচা কোঙনা হংবরা বুঝু ?

অাঙৌবা—অতোনববু, অশোনববু তুহংপা সমাজনি ভাব তাউ অঙাং।

(তোম্বা ঈশৈ ঙাহুনা চংলকই)

উদয় - হৈ-পা শাবা, রাজনিতীরালা নং শোযজনিহৈ, হৈ-পা পংশা শানু।

তোম্বা—অহনবু পাবুং হৈ পা শাবদা রাজনিতীরালা হায়নবিবনিদনা। মখোয়না উদবা, তাদবা, থংদবা লৈত্রবনি। সব জানবা হাবনবিবনি। (বীজয় চংলকই)

অাঙৌবা—ইবুঙঙো শকহেনবা, এদি নংদৌনা পংদেনে। ইখংদি খংদনা হৈ পা শাবা মীহু এদি নঙ্গেনে খংঙবরা ? বুঝু।

বীজয়—করিনা ঐখোয় ইমুংসিনা তৌরিসিবো ? মুমিৎ চুপ্পী হৈ শিংবা, খংবা তাম্নবগী লড়াই—ঐনা হেল্লি, মানা হেল্লি হায়নরগা কারিবু কান্নরিবগে ?

অাঙৌবা—ইবুঙঙো জান তাবা, অকনবনা অশোনববু তুহংপা ঐখোয় অদুম য়েংল্লনা লৈখোক্তরা ? Pakistan না বঙ্গলাদেশকী প্রজাশিংদা ওং নৈবা মতমদা ভারতনা খুং খিংজিল্লুনা বঙ্গলাদেশকী প্রজাশিংদা করিগীদমক কনখিবনো ভাব তারবরা ? মীনা তুহংপবুনা য়াঙগা ঐনা তুহংপনা য়াই শিরা ?

বীজয়—তুহৎপগী য়া নত্তে, ঐনা হায়বদি নংোধ মশেল খৎবা তৈহবা তায়বহ্নবুনি।

আঙোবা ঐদি খংঙবনি, তৈহবনি হায়হনা মবখদি স্নকখৎ খদনা তাংজিবগ্নবুনি তৈ পা শাবা হায়নরিবসে।

নাওবী - করিস্নু নত্তবদা অঙম হেক তায়রে।

আঙোবা—ঐনা অঙম তানবগী বা নত্তনে। (খোম্বৈবু) অঙাং সিনা য়া অমত্তং হংজবদা পাবুংনা খংশাউ শাউংপীবে। য়া ঐনা অমতং হায়বগীস্নু (তোম্বদা) তৈ পা শাবা চরখৎসিনা Personal attack তৌরে। মসিদবু শাওরে ইদবা কনানো ?

তোম্বা—নংদি মহৌশানা খরস্নু তৈ পা শাগল্লিসে।

আঙোবা—মহুদনিনে ঐনা ঈ হেক হেক কায়কইবাসে।

উদয়—করিনোনে ইচাশা, নখোয় মশেস পংলাওদা লাওনবিবা, খংনরিবসিবো ?

বীজয়—পাবুং মকোক ফংতেয়ে। মকোক্না নাম্লগা মশা মবেনা অরাবা তাবদি মশানা তাবনি।

ইবোচৌবা—সরকার পাযবা Party না ফক্লগা সবকার পায়বা কংহৌদবা Party মশেল কাংজৈবুদা মাইক পায়হনা মিটিংদা লাউনরিবহনি পাবুং। পাবুংস্নু নিয়ম চুয়া খবক তৌবীবু, ঐখোযগীস্নু খরা খরা খনবীয়ো।

উদয—ঐ নখোয় ম য়ামগী মপানিনে নপা, খংঙবরা ? ঐনা তৌবা খবক্তা অফ ফত্ত খীজিনবীরি করিগীনো ?

নাওবী—করিগী খীজন্দনি পাবুং। ঐখোয় পুম্নমক ইমুংশিগী মেম্বরনি, ঐখোয়গী মরক্তগী কনাগুম্বা অমনা মী হাংল্লুংরবদি পাবুংস্নু চেম্নরোইদরা ?

উদয়—মী হাংল্লুরিবা মীশক্তো ইচা নংতে।

ইবোচৌবা—মহু য়ারোই পাবুং, পাবুংনা মী হাংল্লুরবস্নু ঐখোয় চেমবা তাবনি।

তোম্বা—ইয়ানা হাংলুরবসু পাবুংদা রাকংককফম থোকই। পুম্নমক পাবুংগী দায়ীনি।

উদয়—নত্তে, মচু নশা নশাগী দায়ীনি।

বসন্ত—মহু য়াংবাই, তুরেল নীংথায়রকপদা থুমইংতুনা প্রজা, লৌই থোল, ইনশাং নাপী মাং তাকহল্লি।

খোম্বে—লৌ ইংখোল, প্রজা শোকইবহু তুরেল নীংথায়রকপননি।

উদয়—তুরেলহু—ঐদি নংতেনে।

অঙোবা—থইদবা য়াবোই পাবুং, পাবুংনা Ruling Partyগী Leader ওইবারগা, পাবুংগী Policy Programmeদা অরানবা কয়া য়াওবকপনা অসি য়ৌনা শোয়গরকপা নত্তা?

উদয়—অহু ওইবগা নং মপা ওইররোদনা। নংনা ওইরগা ফবররা যেংঙসি।

অঙোবা—পাবুংগী মহুং শিল্পুনা ঐনা মপা ওইবগেদি হায়খি দেনা। পাবুংগী অশোয়বহু তাকচরগা পাবুংনা কবিগী শাউবীবগে?

উদয়—ঐগী অশোয়বা খী রিবা নখোয়বু কবি ওইবিবগে? নখোয়বু ঐনা অশোয়বা খীহু হায়খিবরা?

অঙোবা—হায়বা হায়দবা Democracy দদি oppositionগী চাওরবা থৌদাং নৈ হায়বসি কাউবীরবরা?

ইবোচৌবা—পাবুং অরানবা থবক তৌবগা অয়া খুবম ফংগনি খল্লিবা রাখলহু থাদোকপীয়।

উদয়—কবিগীনো নখোয়না পান ঐঙোন্দা ওনশিন ওংশিল্পুনা তাংখিসিবো?

বীজয়—পাবুংদি অরানবা তৌয়ে। পাবুংনা অরানবা তৌরগা ঐখোয়দা দয়া তায়ে।

উদয়—নংদি তৌহেনে হা, নংদি তৌদে হায়বা। মপাম্ব অফ শাবাও।

অঙোবা—সরকার পায়বা মখেল

ময়াম—শাওনরে ।

অভৌবা—সরকার পায়বা মশাল,

ময়াম—শাওমাব

কেতুকী—কৈনোহে, ইমু মফি লাংঙগা নখোয়দি হবীওবেনে। নখোয় ময়াম চংহনা নপাবুদা তৌরিসিবু, নিংত, সি নপানে কাউরবদাও ? নচন সুপী অমা থীবা থংগ্রি। কদাযদা কঞ্জিনা হায়হনা কোযচেন চেন্দুনা থীনবা হোংনগে হায়রদনা নপাদা ওনশিন্দুনা লৈরেনে। করিগীনো ? ফরে লাকও নপাসি নখোয় ময়াম চংহনা চাংথোকঅরো লাকও অহুগা পেল্লবা য়েংঙসি লাকও।

উদয—(মমিৎতা মপি তানা, কেতুকীবু খাম্নগা) ইচাশা, ঙসিদি ইপা পুক্লিং সুংশি। (কল্পী, কৈজোম মচিনা নপি তৈথোকই) অস্মুক কুইবসি নখোয় ময়ামবু কদাযদা করি রাংখিগদগে হায়হনা হোংনখিবা পুম্নক্কু উত্তা ঘি হৈবগুম থোকলে। ফবে, নশা নশানা নমিং থুংবা ওমজনবা হোংনবো। ইচাশা ইপা লম্বোইরগে। অহুগা নচন সুপী অমা থাবা থংগ্রবহুদি নখোয় ময়ামা ফংননবা থাম্নগা করিনো থরা অওং অউন তম্বীবগা লুহে বৌখো। ইপানা হাযগদবা হাযববু সি মঙাবার। (চংখি)

(ময়াম মানা মানা ফমথখি)

কেতুকী—(ঙক্না) হৈমা! করিনো 'নংখাযনা তৌরিসিবো ? চংলুনে কদায় কদায়দুনো কোয় চন চেন্দুনা নচমহুপীহু থীনহৌক্কচা। চংলোনে ইবোচৌবা নংবো, নংনা অহল্লীনে।

ইবোচৌবা—অস্মুক থেংঙকাদবু কদায় থীক্লদায়ক্লো ? হুরানবা চংগে হাযহনা তানহুম তারবকনি।

কেতুকী—করিনোনে হায়রিসিবো ? চংলামী নখোয়বো

(থোক্লিক ময়োম কোল্লগা মাম্রা শুংঙাইউনা চংঙকই, ময়ামদা হায়কেং য়েংঙগা, ইমুংদা চংখিগে তৌই)

ইবোচৌবা—হু ইমা, লাকএ হু।

নাওবী—কায ন' কদায় চৎলুই ? কদায চৎলুই ? (মখুৎ শাক্লুনা চী'থোবকই)

কেতুকী—(খাম্নগা) নাওবী ডায়থো, ইমা হংগে নাওবী নবু ডায়থোমী।

(খারিক শাওনা চৌকি অমদা ফমথে;

ময়াম ইকোই কোয়শিন্না য়েংই)

কেতুকী—ডায়থাঁকো, নথোয ডায়থোকো ইমা নিংথীনা হুংগে। ইবেম্মা নবু কদায চৎলুবগে, ইমাদা শেংনা হায়য়ু।

নাওবী—মসিগী অঙাংসি। (খাবিকী মশম ফোই)

কেতুকী—শিরে, অঙাং শিরে, নাওবী, নাওবী, খাদোকউ হায়মী নংবা। ইমা হুংগেমী।

ইবোচৌবা—মসিগী অঙাংসি হাৎলগেদা। নং য়েংখায়য়না কাংতোকউবা ? নং ঐ:খায ময়ামসিকু উশিত্তবরা ?

কেতুকী—ইবোচৌবা ডায়খানে ইমা নিংথিজনা হংখি গ। ইবম্মা ইমাদা শেংনা হায়য়ু নং কদাযদা চৎলুই ? নবু চাক চান্নবগী বার্তন তৌবা চৎলুবরো ? নথোয়গী কৌজিকালগী চাক্ চান্না হায়বসিনবু কয়া তোক্লে। ইমাদা শেংনা হায়য়ু ইচাদি মুংশিবীনি ইচা অ.তাম্বানি. ইচাগীদমক ইমা লৈরিসিদি -

খাবিক—চেন্ননি হায়রুনা থোকউবা—

ময়াম—(ওক্না) হা ??

কেতুকী—(ওক্না) চেন্ননি হায়রুনা খোকউরবা !!—

খারিক—ওসিদি মুখিং ফংলমগরে, খাংজমু ওইরম্বা, এক্কাসশিন্নু তারম্বা অহুদা হজিল্লকপবা।

(ময়াম ওক্লুনা মযা কাহুনা লৈ)

(মৈ-মুংপা)

অনিশুবা অমদি অরোইবা থৌংপা

মফম :—শুমাংনি, যাংশাল মতেক থবা উই ;

মতম :—অমুক অশুনবা (তুলসি পাম্বী অমগী ময়াইদা উদয় থিন্দুনা লৈ, বামোন ব্রজলালা ফি ময়োম অমগা, চৈশু অমা য়েনপাক অমা পায়দুনা চংশকই)

ব্রজলালা—ইবুংঙো ঐম্ম ফনা শুনা হোংনবনি, অদুবু যাদে, হেক্কা থেংথি। (কপ্পী)

উদয়—(চন্দন থীমা থীমা) ঐজ্ঞা,

ব্রজলালা—(ময়োমদু হাংদোক হাংদোক্না) ইবুংঙোগী ইমুংসিবু মী ফনা য়াবশুম তৌবদুবু—

উদয়—তুম্বা চৌগৎনদবা মাও, Walking চৎনথিবা য়াও তৌনবনি। হেক চৌগৎনরকপা হজিররকপদগীদি মহাভারতকী লাজাও চৌরক্লগদবর্নি। লাল চৌরক্ত্রৈশৈসিদা ঐজ্ঞা নাম পীবীনবা হায়দুনা খজিকং শুনসি কায়জখিবদু।

ব্রজলালা—(শেক্কবাগী ফি অমা পুথোরক্লগা) ে সিমা হোংদোকপীরো। (উদয়না ফিদু লৌরগা হোংদোকই, ফি অমা ইনশিনবী, লিক শিজিনবা মালাথাও য়ানশিনবী, উদয় থুরুথুদক ফম্মী) তুপী পুথোরকই, উদয়দা মুমা য়েংশগা) ইবুংঙো কোজি শেংহৌজ্রেদো।

উদয়—কোমা কোকচরগে ঐজ্ঞা।

ব্রজলালা—শাংশকথগা অমুক কোকদবা মরৈরে। (তুপি উপশিনবী) (ব্রজলালা মমিং উইশিন্দুনা লাই থুকম্মী, উদয়না

কিরুপ কিরুপ যেংঙগা মিংশেলদা মশক য়েংই, খুংহুনা মিংশেল লংখোরকই। (মিংশল কৌশিল্লগা) বাবাজী, হৌজিক্তী লম্বোইরবনিনা মুমিং যারংনি শুজিবা ফাওবদি মিংশেল যেংবা য়াগ্রবনি । (ব্রজলালা অমুক মিং উইশিল্লুনা লাই খুরুম্মা, উদয়না চন্দন উপু খাংহুনা ইমুং চংখিগে তৌই, ব্রজলালা মমিং পাংথোরকপদা উহুনা)

ইহে হে, মাংঙে মাংঙে, (তাম্নহুনা ফারকগা) করিনো ইবুংঙো লম্বোইরবদি ইমুংদা অমুক হল্লা চংবা য়াগ্রবনি।

উদয – (পেরি পেরি) ঐঙ্গা ঐ যাম্না নীংঙম্মকওইদোরেখো।

(বসন্ত মমিং নোই নোইহুনা থোরকই)

বসন্ত—(ফিংনা) পম্বো অশোকপা, করি মতৌনো তৌবীরম্মী সিবো?

উদয—(খংপ্রেক খংনা) বসন্ত, হৌজিক্তি ইপা নাম ফংলবনি, ঐঙোন্দা কৌবক্রুগম্মু।

বসন্ত—করি যারানো পম্বো? নচামুপা অসুক য়াম্না লৈনা লৈনা করিগীদমক পাম্বোনা লাম্বাইগদৌরিবনো?

উদয—ইপাগী বসন্ত, ইচামুপা নখোয মযাম লৈবদগীনিনে ইপানা লম্বোইনিবসে।

বসন্ত—করি য়ারানো পম্বো, নচাশিংবু মুংশিবীগ্রবনে?

উদয—বসন্ত, ঐ মপানিনে, মপানা মচ মুংশিদবা হৌনদ, মচা মুংশিদবা মপা লৈবা হৌনদে। ইপানে নখোয মযামবু মুংশি, য়াম্না মুংশি অহুবু ইপা খাংবা মদরেনেহে।

বসন্ত –(কপ্না) পলেম, হো পলেম, পম্বোগী ফিবমসে অমুক্তা যেংবীরোলাওনে পলেম।

উদয – ওম্বোকইদা বসন্ত করিগীনো নংনা নমা কৌখোকই বো?

(কেপ্তুকী থোরকই)

কেতুকী—(ঙক্লা) হৈমা ! করি মতৌমো তৌবিরিসিদি ? করি মতৌনোনে মোইপাবুং ? (কপ্পী)

উদয়—শ্রীধাম ব্রজবৃন্দাবন য়ৌরগে পেস্মা, নংদি নচা ময়ামগা মুংঙাইনা পালহৌখোকো।

কেতুকী—(কপ্পা) করি রানোনে মোইপাবুং ননাইমুপীবু করি ওইরসিগেনে ?

ব্রজলালা—রাধে রাধে।

উদয়—কপকমুনে কেতুকী, করিগীনো নংনা প্রেম ফরকইসিবো ?

কেতুকী—মোইপাবুং, ঐনা করি লানখিহ্না মোইপাবুংনা লম্হোই-বিরিবনো ? ননাইমুপাগী ইরাল তাকপীবু। (কপ্পী)

উদয়—কপকমুনে পেস্মা। নংনা কপ্পা উবগা ঐগী থম্মোইদা সপুবা য়ারক্লেনে।

কেতুকী—নত্তে, ননাইমুপীগী ইরাল তাকপীরম্লুনে।

(মখোং পায়হ্না থুরুমগ তোই)

উদয়—(হন্দোক্লগ) শোক্লকনুনে নংবো।

ব্রজলালা—(ফিংনা) এএ ইবম্মা তৌহৈদে, তৌহৈদে। থরা হন্দোকউ।

(খোম্বৈ চেনশিল্লকই)

খোম্বৈ—(ঙক্লা) হাকআই, পাবুং (নোকই) পাবুং কদায় চত্তোয়নো ?

উদয়—ইপাগী খোম্বৈ, ইপা বৃন্দাবন য়ৌরগ।

খোম্বৈ পাবুং বৃন্দাবনসিবু ফিজেৎ লৈতেংহ্ নত্রবদি চংহন্দরা ? (ব্রজলালাদা) ঐজ্ঞা ফিজেৎ লৈতেংসি নত্রবদি বৃন্দাবনসিবু চংহন্দবরা ?

ব্রজলালা—ইবুংঙো, ফিজেৎ লৈতেংসি থোক্লবদি, মীওইবগী অন্ত-কালগী মতমদা, ঈশ্বরগী মনাক্তা থুনা য়ৌবা ঙম্মী হায়রৈ। অদুগা ইবুংঙো নংনা পাবুং পাবুং হায়রিবদো ইপা তাবা য়ায়া বারে, পাবুং কৌগনু বাবাজী হায়য়॥

খোমৈ—বাবাজী !!! (নোকই) পাবুং পাবুংনী মিংসু ওনবরো ?

উদয়—উম, ইপাগী মিং ওন্নে।

খোমৈ—যাম্না নুংঙাইরিবাংনিনা সিদি। পাবুং ভুপীহ অমুক্তা উপকে। (লোগে তৌই।

উদয়—শোক্লকমুনে নংবো।

ব্রজলালা—ইবুংঙো, বাবাজিদা অহুম হায়না হায়হৈদে।

(নাওবী, খাবিক চংঙকই)

নাওবী—পাবুং করিনো পাবুংনা তৌবীবিসিবো ?

উদয়—নাওবী, ইপা লখোইরবনিনেহে।

কেতুকী—(কপনা) ইচাশা, নখোয় ময়াম চংহনা নপাবুংবু অমুক্তদি খামহৌ, কৈদৌবগে।

তোম্বা—(মপুংদগী) নোংঙানত্রি্ উদগী লাংবা হোৌনবরা তৌরিসিবো ? (খোরকই, মপান্দা ঙক্না য়েংই) হাকথাই, পাবুং, ঙবাংদনি পাবুংনা লখোইনি হায়খিবা, অদুগা ঙসিনা লখোইরম্বা, খজিত্তুং থুমত্রা পাবুং ?

(উদযগী মনাক্তা ফমজিল্লি)

ব্রজলালা—হায় হায় হন্দোকউ।

উদয়—নংবু হন্দোকউহায়রমী নংবো। হাওকি অমা হেক ইনশিল্লদনা।

(তোম্বা হৌগংলগা হন্দোকই)

কেতুকী—ইচাশা নখোয়না কৈদৌবগে, নপাবুংসি অমুক্তদি খাম্হ হায়রমী।

ব্রজলালা—ইবেম্মা, নাম ফংগ্রবা বাবাজীনি, খাম্বা য়ায়রোই।

(চৈতন্য, য়েমপাক পীশিল্লি)

উদয়—ইচাশা, ইপাবু খাম্মু, পটা শাজি লমদম পাংগ্রগে। হৌখিবা পুজিদা লংজখিবা পাশপিংহু কোক্লবা ইপা লাই নিংগ্রগে।

(অঙৌবুা চংলকই)

অঙৌবা—(ওক্লা) পাবুংনা বেশ ওন্নবীরিম্বিবু করি রাখলদগীনো ?

উদয়—অঙৌবা, ইপুা শান্তি পাম্মী, ইমুংগী অরাংবা মরকশিদা ইপা লৈনিংঙ্গে। ইপাদি সংসাবগী অপাম্বা, মীহৌবা, কল্লকপা, য়েংথিবা, নুংশিবা পুম্নমক থাদোক্লবনি। ঙসিদগী ইপা চংলগদবনি।

কেতুকী—মাংঙে, মাংঙে, মোঙ্গপাবুং মদু যাদ।

অঙৌবা—করিমো, পাবুংবু মাথা চোযবীনববা ?

উদয—ইপা মাথা চোম্নদে, ইপা মাথা চোযাদ্ররকো।

অঙৌবা—চোযদ্ররগা করিগী লম্বোইবীবি ?

উদয়—অফবা লম্বী থীবানিদন, অঙৌবা।

অঙৌবা—মদু ওইথোক্কবনি পাবুং। লম্বোইরগদবু করম্বা অফবা লম্বীনো থীগদৌরিবসিবো ? (কম্না) লম্বোইদগবু করম্বা অফবা লম্বীদনো চংকদৌরিসিবো ? লম্বোইবদি মীকিথীনি, পাংদবনি, অঙাওবনি মাথা চোযরবনি।

উদয—অঙৌবা নং মত্তোমনরা ?

অঙৌবা—লম্বোইবদি সংসারগী অরা অনা কথাবু মাইম্নোক্লবা কিহ্নন চেল্লবা মীচেম্মী, পাংদবনি। ঈশ্বরনা পাবুংবু সংসারসিদা কৈদৌক্লনবা থারকখিবনো ? লম্বোইক্লনবা থারকখিববা ? মীগী শাইত্তিন শায়াদা, ভীক্ষা নীহ্ননা চাক্লনবা থারকখিবরনে পাবুংবো ? পাবুং মীনা পীজরগা চাবা পীজদ্ররগা তোকপা শিবা ঙাম্নহ্ননা লেনবা পুম্মিহ্নবুরা পাবুংনো অফবা লম্বীনি হায়রিবসিবো ? অহুং ওইরবদি Ranchi দরা Tejpur দরা লেংননবা ঙৌসি।

উদয়—(শাওনা) ঐনা লম্বোইরিবসে ঐনা পোম্ননিংহ্ননা পোম্ন-বোই নীংবরা মসিদি নথোয় কম্নাম চংহ্ননা পোয়হনবনি থংঙবরা ?

অঙোবা—পাবুংদা ঐখোয়না লম্বোইবীরোদি হায়জখিদেনা।

উদয়—হায়বা হায়দবা নাখোয় ময়ামগী মতৌসিদবু কনানো পুক্লিবু থোনা ফনা মায়খোং য়ারগদবা? কনানা?

অঙোবা—মপা ওইবীরিবা পাবুংনা করিগীদমক্তনো মচা ময়ামগী য়াকৎ তাবিখ্রিবা? নচা ময়ামগী য়াকৎ তাবীরবদি পাবুংনা করিগী নাকোং য়াই চল্লুনি। য়াকৎ তাবীরোই খল্লগা করিগীনো পাবুংনা মীকিথা ওইবিরিবা?

(বীজয় চংঙকই)

বীজয়—(ঙক্না) এ! পাবুং কবিনো তৌবিরিসিদি?

উদয়—বীজয়, ইপা লম্বোইরবনি।

বীজয়—করিগী?

উদয়—মরম হংঙকনু।

বীজয়—হেরা পাবুং, অঙাও অকৈদোনা যেংবা মুংঙাইতে, ফি-সি হোংদোকপীয়ু। (থুদৈ পীশিল্লি)

ব্রজলাল—(ফিংনা) এ! এ! ইবুংঙো ফি কোংদোকপদি য়ারকোই। লম্বোইরগা হঙ্কিনবা তৌহৈদেনে।

বীজয়—তৌহৈদবা খবক লৈবা হৌনদেদা ঐঙ্গা। তৌহন্নীংদবগী য়ানি।

ব্রজলাল—হায়হৈদেনে ইবুংঙো।

বীজয়—হায়হৈদে হায়বীগনু ঐঙ্গা হায়হন্নীংদে হায়বীয়ু। হায়হৈদে, তৌহৈদে হায়বসি হায়হন্নিংদে, তৌহন্নিংদে হায়বনি। হায়হৈদবা য়া তৌহৈদবা খবক লৈবা কৌনদে।

ব্রজলাল—ইবুংঙো হায়হৈদে তৌহৈদেকো।

তোম্বা—করিনোনে ঐঙনা হায়বিরিসিবো? হায়প্রবা য়া তৌপ্রবা খবকপু হায়হৈদে তৌহৈদে হায়বিরিসিবু নাতে চাদেদা। (ইবোচৌবা চেনশিল্লকপদা তোম্বগা ব্রজলালগা কাহনা হন্দোকনৈ)

ইবোচৌবা—(শাওনা) ইমানরা ঐখোয় পাবুং লম্বোইহল্লি স?

কেতুকী—নপাবুংনা লম্বোইববু ঐনা লম্বোইহনবমি হায়বা ওম্বীবা নংগী নচিন্দুবু কৰি লাইনা শেম্মকপনোনে হীংচাবা।

ইবোচৌবা—পাবুং ইমানা লম্বোইরো হায়রগা হেক্তা লাম্বোইগনি হায়রূনা লম্বোইরিবা পাবুংস্মু থজিক্ত দি হাকথাল্ল।

কেতুকী—(কপনা) মোইপাবুং, মোইপাবুংনা লম্বোইবগা ঐনা পোইহল্লিবনি হায়রেনে। মোইপাবুংনা লাম্বোইরগা ঐবু অম্মুক য়ায়া রাহনবীরিসিবু কৰিগীনো?

উদয়—নত্তে নত্তে কেতুকী নংকপকন্নু। (ইবোচৌবদা) ইপাগী শাফবা, ইপানা লম্বোইবিদসে নমানা নত্তে, ইপানা পোই-বনি। অত্নগনে, ওসি ইপা ইচাগী অ'রাইবা উন্নবা মুমিৎ-সিদা ইপানা হায়বমগদনা হায়ববু নখোয় নচিন ননাও খংন চৈনগন্নু। নমাসে নখোয় মযামগীদমক হোৎনবদা য়ায়া রাজকক্রবনি, নমাবু লুনা তৌবায়ুকো অত্নগনে নমাসে হোটেলদা ত্তোয়া চৎহনগন্নু না। (চৎ ক তৌই)

ইবোচৌবা—বদায়দনা পাবুংনা চৎকদৌরিববো? চৎপা যা-বোহনে।

উদয়—ইপাদি লম্বোইরবনি, নখোয় মযামগা তিন্নবা যাজ্রবনিনে।

ইবোচৌবা লম্বোইবস্মু য়ারোইনে পাবুং।

উদয়—(শাওনা) করিগী য়ারোইদৌবিবনো? লম্বাইত্রিচৈদস্মু নোংমত্তা শাস্তি ফংত্তক্রবা নপা ঐবু লম্বোইরফাওবদা নখোয়না অম্মুক য়ায়া যেংলিসিবু করিগীনো?

ইবোচৌবা—নচা মুপা কোকথা' অমা লৈরগা পাবুংনা লম্বোইবিবিসিবু করিগীনো? (ব্রজলালদা) এজা, ঐখোয় পাবুং লম্বোইবিসি ঐজ্ঞানবা?

ব্রজলাল—এ! এ! ইবুংঙো মহ হায়বন্নু। ঐদি য়াবাক্তীলিনা নাম পীবীযু হায়বহ্না পীরবগী রাদনি। ঐগীদি ইয়াল লৈত্তেনা।

ইবোচৌবা—অদু ওইরবদি ঐখোয় পাবুং লম্বোইররোই লেংবীরো।

(ব্রজলালা চংখিগে তৌই)

ঙাযবীখো। ঐখোয় পাবুংদা পীখিবা নামহু হন্দোকঅগা পুবিখো।

ব্রজলালা—পীগ্রনা নামদি হন্দোকপা য়াদ্রে ইবুংঙো।

ইবোচৌবা—মহু য়াবোই ঐজ্ঞা, ঐজ্ঞানা পীরম্বা নামহু ঐখোযদা থম্বা কীজৈ হন্দোকঅগা পুবিখা হায়রা।

ব্রজলালা—হন্দোকপা য়ারবোইনে ইবুংঙো।

কেতুকী—ইচাশা, নখোয় মযামবু করি য়েংহুনা লৈরিবগে? নপা লম্বোইবা য়ারোইনে।

(কেতুকীনা তুনি লৌখোকই, মচা ময়াম্না য়েনপাক, চৈঙ, মফি মবোল মুল্লি। পোং চৈ ময়ামহু পৈশিন্দুনা থম্বগা)

ঐজ্ঞা পোং-চৈ ময়ামসি পাযবীব্রো

(ব্রজলা:) পোং চৈ ময়ামহু ঙপকোন কোনশিল্লগা শেগ্রাজ্ঞা যেপশিল্লি। যাম্না কীনা ইবোচৌবদা য়েং য়েংহুনা চেং থোকখি।)

ইচাশা, নখোয়গী পাবুংসি লম্বোইরেকো।

মযাম—লম্বোইদ্রে।

মৈ মুংলি, মুখল হায়জিনখি।

লোয়রবা